পঞ্চভূত

[illegible] শর্মা
ব্রহ্মচারী

ৱাহৈ খরদং

মীওইবা হায়বসি ৱাহৈ অমঁরোমদা পঞ্চভূতনা শাবনি হায়নৱিৱনি। অচুগুমদুনা মীওইবগী মমাজ অসিদা হৌজিকী ওইরিবা সমাজ অসিবু চাউখৎনবা, ফগৎনবা, অমগা অমগা চায়-চিন্নবা শেম্বা তারবদি মরু ওইবা পোৎশক খর চঙই। খুদম ওইনা হায়রবদা মীপুম খুদিংমক অহল নহা খাক্তনা এডুকেসনগী মঙাল ফংনবা হোৎনবা (ii) ফেমিলি প্লানিংগী কাম্বা অমসুং ভাব তাহনবা (iii) ধর্ম্মগী মরমদা হেনৎনবা তোক্তনা পুম্না খবক শূহন্নবা (iv) মরমিগী ফনবা লৈরক খুল্লক, লম্বী থোং শেম্বা। (v) অফবা অমসুং অচুম্বগী ৱাখল পোক-হনবা, মচুনা মমৈদা জয় ওই হায়বসি খঞ্জহনবা অসিনচিংবা অসিনি।

লাইরিক মচা অসিগী মরু ওইবা উদ্দেশ্যসু মথক্তা মরু ওইবা থৌৱাং মঙা পীথ্রিবা অসি পাঙথোকপা অসিনি। মপুং ফানা ফোংদোক্তবসু ৱাহৈ খর খর ওইবা অসিনা সমাজদা কান্নবা খিত্তং ফংগদ্রা খঞ্জদুনা লাইরিক মচা অসি ইজবনি। পেন্দবা সুংঙাইতবা কয়া য়াওরবসু সমাজগীদমক্তনি খনবীদুনা ঙাকপী-গনি নীংজৈ।

লাইরিক মচা অসিবু সুংশিবীদুনা মণিপুর সরকারনা অঙম্বা মতেং পীবিদুনা ময়ামগী মফমদা লাম্থোকচবা ফংবা অসিগীদমক মণিপুর গর্ভনমেণ্টগী এডুকেসন ডিপার্টমেণ্টপু হন্না হন্না থৈকাইখুম্নবা উচ্চরি।

শ্রীধনঞ্জয় শর্ম্মা

ব্রহ্মাচারি।

শক্তম মাতংবা

নুপা

১। জোলমু — লয়াইনী ইনাক খুনবা নিপা অমা (চহি ৫০)।

২। য়াজো — মচানিপা পাখং।

৩। বোড়া — মীনাই অহল।

৪। নব সিংহ — মনিগী মরুপ।

৫। ভালোক — অহল অমা।

৬। কুমার — লাইরবা পাখং মচা অমা।

৭। ইবাইহল, চাওবনচিংবা

নুপী

১। থম্বাল — মমা পোক্তবীনা য়োকপী লৈশাবী অমা।

২। অপাবী — থম্বালগী মমা পোক্তবী (চায়াম পোকপীনচিংবী)।

মমল লুপা ৩'০০

পঞ্চভূত

অহানবা শরূক
(১বা উৎপা)
লম্বী

[য়াউশঙগী নিনী চনবা নুমিৎনি। লরায়গী খুল অমগী চিদাইদা ময়াম ইরাঙ লাঙই। খরনা পৈশা নিরি, খরনা ফি মুনবগী রা রা লাউবা মখোল তারি, খর অমনা ঈশৈ ওইনা শক্লুনা চৎলি। থাবল চোংবীগী পুংখোল তাবা ফংই। মতম অসি নুমিৎ তাদ্রবস্থ মফম অসিগী নুংঙাইজবা অমা ওইনা থাবল চোংবীগী মখোল তারি]।

খুল অসিগী মমিং হাইরপ চৎপা, ইনাক-কৈরাক খুনবা ইমুংগী মচা "রাজো" না অহল ওইরপ তোরবা মীয়াম চল্লবা মনা খরা তাথীবা মীনায় "বোড়া" গা নোয়ননা য়াউশঙ কোয়বা লাকই। অহল মীনায় বোড়াদি নুপীমচা খরনা আবের তৈবীদুনা থাপ্লপ লৈহৌরি। রাজো "থম্বাল" দেবীবু থিবা লাকই।

রাজো—(থোরকই) ঙসি অসি য়াউশঙগী নুংঙাইরবা নুমিৎনি। নুংঙাইরবা মতমসিদা ঐগী পুক্লিংদা ইচিং-চিংনবা অমা লৈরিব অসি করিগীনো? অস্থক য়াম্বা ইচল ইচে, পাখঙ লৈশাবী ময়াম চৎলি, ঐনা মাবুতদি মউদ্রে। মহাক

অদুবু চৎথ্রবা জাংলা. নত্রগা ময়ুমদা লৈরিগম্রা ? ঐবু ময়ুমদা চঙলুসিরা ? উম—(বোড়াবু কৌবা) ও - খুড়া, খুড়া ! কদায়দা অমুক লৈহৌরে ! মসিগী অহল অসিদি ! (য়েংবা) ।

বোড়া—(মনুংদগী) ও.... ইবুংঙো. লাকচরে লাকচরে । (মমায় মশম অবেন্ননা পূমঙাও ঙাঙদুনা থোরকই) ।

রাজো—নত্তে, করি অমুক তৌদুনা লৈরিবনো ? (আবের তৈবদু উবা) বাঃ হরে হরে—খুড়' !

বোড়া—করি তৌরবগে ইবুংঙো ? (মমায় লোংপা)

রাজো— এ-এ ফজরেদা ! নপে কথোক নয়া লাংলবা নঙনা হৌজিকপু !

বোড়া—এঃ ইবুংঙো ওস্থোকপা হায়দুনি । মতমসি ওস্থোক্লা ঙাওখ্রেদা ।

রাজো—মতমসিনা করি তৌরবা ?

বোড়া—কমদৌবা ইবুংঙো (মনা থাঙ্গৎপা) ।

রাজো—(কন্না) মতম অসিনা করি তৌরবগে ?

বোড়া—'সুম তৌবা ইবুংঙো, কদায়দগীনো সুপীমচা অনী অহুমথক চেস্থোরক্লগা, খুড়া, লাইগী শিন্দুরসি খিদুং নঙ্গীগেশে হায়রগা, ঐদি ইচম চম্না হোয় হোয় নম্মু নম্মু ইচাসিদি হায়দুনা হেক নোস্থবা, অদুগদি মথোয়না কনাগী মায়মিৎ, ফুরিৎ-ফিরোল পুন্নমকসি পঙতে হেক তৈবনিদনা, ইস, ইকায়খ্রেদা সত্য ।

রাজো—করিদোনা ইকায়রিবা ?

বোড়া—(তাকাত্তুনা) কমদোৌবা ইবুংঙো ?

রাজো (লাউনা) করিগী ইকায়বিবনো ?

বোড়া—এ ... এ সুমতৌবা ইবুংঙো, ইবুংঙোখোয়দি নহানিদো অহৃদ। ....খুড়াখোয়দি....।

রাজো—হোয়নে হোয়নে, চত্নুম চৎনি থেঙখ্রে।

বোড়া—(শেরাম্লনা তাকুনা) করি হায়বা! অমুক লাকএ !! (চেনগে তৌবা) ।

রাজো—(ফাদুনা) খুড়া ! মসিগী অহল অসিদি।

বোড়া—হাঃ লাক্লুযে ! ইস, ঐদি ইপা পাৎলুরেদা। সত্য শেল পীরমদনা চেল্লক্লিবনিনে।

রাজো—এঃ পণা পায়দবা নঙদি করিগী আবের তৈরুরি ?

বোড়া—কদায়দগীনোদা ইবুংঙো, আ-অপাবীগী মমাখোয় ওইরবদবু ঐনা চেঞ্জকখিগদ্রে! থেক তেক্লা .য়ংনগদবনিদ।।

রাজো—ওম্মোকপা ভাব হায়বদু ওইরে।

বোড়া—ঐবু ইবুংঙো—তৈররোই তৈররোই। অন্দা ইবুংঙো, য়াওশঙ হায়বসিদি মপানবু থোকখ্রবদি অহল ফাওবদা করিনো অনদি তৌইদা।

রাজো—ফরে তুমিন লৈরো, রা অমা তান্নসিনে।

বোড়া - (সেরান্নবা তাকুনা) হ' কনানো চেনখ্রিববু খুড়া তান্নগেনে, হেরা—মা-গুম্বা নুপীমচানবু (মফি শেম্বা) ।

রাজো—খুড়া ! (শাউরপ লাউবা) মসিদি। কনানা নঙোন্দা চেনখ্রে হায়। মসিদি....

বোড়া—চেনখিদেয়ে। ঐদি কি শেন্ম্‌বগা।

রাজো—সে, রা হায়গে মুন্না ভাওনে। তারব্রা?

বোড়া—ও, তাজৈ, তাজৈ।

রাজো—অমুক ভাওখৎলক্লবদি খুত্তুমনা শুগদবনি।

বোড়া—কদায় খুৎ শোক্লসি হায়বত্ত?

রাজো—(শাউনা) খুড়া! (মুন্না য়েংবা) অওইবরা খুড়া নত্ত?

বোড়া—এ-এ, ইবুংঙো, লাঞ্জয়ে লাঞ্জয়ে। খুড়া রা অমত্তা ভাঙ-জররোই।

রাজো—মসিদি....। সে তারোনে (মনাকোং ময়াদা) ঐখোয়গী ফাদর (father) দা ঐনা হায়য়ু হায়বা চাওভলগী মচানুপী থম্বাল—খঙলব্রা?

বোড়া—অং অং খঙজৈ খঙজৈ তাকপীয়ু।

রাজো—মাবু খিরকপনি অদুবু উব্রে চৎলসিরা লৈখিসিরা?

বোড়া—(শেরান্নবা ভাদুনা) করি ইবুংঙো, করি! থম্বাক বু শিরবা। ইস (মকোক পায়দুনা কমথবা) ইবুংঙোদি গাঙজরেদনা ও.... (কপ্পা)।

রাজো—খুড়া। (শাউবা) হরে হরে, মসি ঙসি য়েংউ।

বোড়া—(ভাদে) হরে ইবুংঙো, করি ঙইনা হরম থৌখিবনো? ওন্থোকইদা, ওঃ ঐখোয় ইবুংঙোনা য়াম্না কন্না শৎজবা অদুবু ভোক্রেদনা।

রাজো—(শাউনা) খুড়া.... মসি কোক হেক থাজিন্নিকো।

বোড়া—হা কোলেরানা! ওঃ ওন্থোকপনিদা! হোঃদা কোলেরাসি ইবুংঙো কুমসিগী লাইচৎনিদা....।

রাজো—কনাগী কোলেয়ানো হা? মসি ময়াম অগ্নিগী মমাঙদা
　　পাংথং থংনদ্রুনা তোকনিসে।

বোড়া—থয়গদবদি থয়গদবনি। মাগীদমক তৌবা য়াব্রা মঙ্গী ফিদ
　　ওইরবস্ত তৌবিগদবনি। শেল কয়াবু চঙলুগবনো হা?

রাজো—করে, শোয়াংতু নঙ হেক শোয়ো, পুরিংতু নঙ হেক
　　ওইরো মথোঙ চাদবা হায়ববু!

বোড়া—নত্তে ইবুংঙো করি অমুক তৌরবগে?

রাজো—করি অমুক তৌবা! কনানা নঙোন্দা শিরে হায়?

বোড়া—হা!! শিদবা। ইস্… … ঐদি শিরে হায়না ওয়োক্লা
　　রাক্লরেদা ইমাইপেম্মা ঐ মায় থকহল্লিকো। সত্য।

রাজো—রাখো-দনা শকশিদি।

বোড়া—অদুদি ইবুংঙো ময়ুমদা চঙ-লুসি হায়ব্রো?

রাজো—থঙদেনে ময়ুমদা চঙবসিবু……।

বোড়া—নিপা মচানবু চঙবা কিরিবরো?

রাজো—কিবগী নত্তে থল্লিবনি।

বোড়া—চংপদগী য়াওখিদ্রবদি ময়ুমদা লৈরম্বা তারে (থজবা)
　　অদুবু মীনা, ইবুংঙো য়ারবদি হোরেল থাবল চোংকমদা
　　উয়বনা করেদা।

রাজো—উম্ মত্তনা কবা তায়ে, অদুদি চংসি।

বোড়া—হা চঙঙ্খিসি?

রাজো—চ-র-দা-য়ুমদা! (লাউনা) তারব্রা?

বোড়া—য়ুমদা হো হো (চংপা)

রাজে:—মসিদি লায়রবা শাথিবদৌরি (চত্থিবা)।

(নাকল অমদগী কুমার, য়াম্বা রানা চারুক-থক্লক্তবগী মশা অমু ইচোক চোকথক্লে মকোই মযাং ইচোম চোরুই খাও অমা য়াল্লগা চঙলকই)

কুমার- ইস্ রাজ্রেদা মুংশা-অসি কয়াদা শাথ্রবনো। লমথাং অসি লাংকপদা কয়াদা য়ারবা। খুড়া ভ্রালোকী ভূম অদুনা কয়া রাৎলিগবা। খুল অদিগী চচল ইংেশিংনা ঐবু লায়রবনি থক্তিদবনিনা লম্বী অসি লাকপদা পৈশা খর য়াওরকপা অদুস্ু লোইথে, চাকস্ু য়াম্বা লায়ক্লে। ঐনা হৌজিক কনাদা চঙগনি। পোৎ-চৈ অমত্তস্ু লৈননবা শেনস্ু য়াওদে। মুমিৎ তাবা ভাইরবস্ু, কনাদা চংলগা লৈগনি। চাদবৎ। চৎপস্ু ভয়ক্লে। (কমথবা) মুংশিদা ইমা লৈবাক মণিপুর, মতমগী মতুং ইমা, মুপী অঙাং লোইনমক হরাও মথোই কারি —। ঐস্ু নোংমদি অস্ুম্না য়াওরম্রিবনিকো অদুবু (মনিত্তগী পি ত্তারা) লাইবক থীরবা মপোক্লি। কনাস্ু ঐগীদমক অমত্তা লৈথিদ্রে। লায়রবা মপোক হায়রবসি সংসার অসিদা পোকইহেদ্রে। (য়েংবা, য়ুম অমা উবা) উম্, অসিদা য়ুম অমা লৈরে। ইমুং অসিদা চঙলগা ঈশিং থজিক্লং থক্লগা খোরাংবা অসি কোক্লনি অদুগা খুড়াগী য়ুমস্ু হংলগে।) [মতম অসিদা অরাবগী ঈশৈ অমা মাগী লাকোংদা ত্তারকই।]

ইশৈ—

তোঙ্গবী মপোন্নি ল্যায়রবী ঐদি
কনা হরা য়েংবা উবে ঐগীদমক
লায়রমপোক পোকহৈদে সংসারসিদা।
সুপী অঙাং অহল নহা খাক্লনা
সুংঙাইরি য়াওশংগী মতমসিদা
ঐগীদি অরাবা কায়নবা কয়ানি।
তাইবঙ শেম্বা মপু লৌশিনবীরো ঐবু
লৈজনীংত্রে অরাবা কয়া পুক্লনা।
কন না শক্তি হরাওনা ইশৈ
নোক্তি-তাক্লি অচুম্বা শাদুনা
সুংঙাইরি মথোক কারকপগী মতম।
ঐ দি য়েক্লবা ওইবে মতম।　　(হীক্রা ২ কপই)

কুখাম　কনাগী অরাবগী খোঞ্জেলে ?

(মনুংগী অয়াকপা গোঞ্জেল অমম্ব তারি, খম্বালগী মমা পোক্লবী)

অপাবী—ইবেম্মা, ইবেম্মা ! খম্বাল ! নঙবু অত্থদা কন্নি তৌরি ?
মীনা য়াওশঙ খোক্লনা কি মুন্দুনা পৈশা কয়া তম্লি।
নঙনা অত্থদা নমা শিখ্রবী অদু কোক্লনা কপ্পুনা লৈরী।
মীদা, মসিগী অঙাং অসিদি।

খম্বাল—ইমা শিখ্রবী অদু কোক্লনা লৈজবা অসিনা ঐগী অমা পোথাকম ওইরি।

অপাবী - হৈমা ! নত্তে নঙবু য়াওশঙগা থোক্লরোইদ্রা, হা ?

থম্বাল - ইমা ! ঐবু করি শেৎ চাদ্রুনা থোকউ হায়বগে ? মায়রবী শাদ্রুনা থোকউ হায়ব্রো ?

অপাবী—ইস্, ইমাইপেম্মা ইমাইপেম্মা কয়াদনোসে, নঙগী লৈরিবা ফিয়োলশিং অদুদি ?

থম্বাল—ইমা ! অমনবা শেগায়রবা ফিরোলশিং অদু শেৎকদবগী শরুকপুদি অঙ্গংবা মকম অসিদা ইতোমতা পোখাত্রনা লৈজগে।

অপাবী—খঙলে খংলে মসি ঐবু য়োমবনি। মীনা মমা পোক্কবীনি হায়নবা নঙনা কম্না য়োল্লি। কৈদৌই ? লৈরিবা অদু শেৎলগা লোইরেদনা। নোংমৈ অমুক অহনবা লৈরগা লোইরে। খঙত্রে, ইবেম্মাহোই ! নপানি তৌরিসিনা ল'য়না পুত্রুনা লৈরে। ঙাইহাক লৈরগা হিদাক, ঙাহাক লৈরগা মাইবা, হা অদু হা অদা পুবা থাংবা ঙমজত্রে। অদুনা লৈবা ঙমজহৌত্রে।

থম্বাল—ফিয়োলগীদমক মিহৌজদে। পাবুংগী ফনবা লায়ম্বেং কম্না হোৎনবীয়ু।

অপাবী—ফরে নঙনা থোকপা তৌরে। পুবা থাংবা ঙমজপোৎ নত্ত্রে। (ঙাঙনা ঙাংনা চৎথি)

কুমার—ওস্থোকপা থৌদোক্নি মরাইবক থীরবী মুক্তা নঙবু ঐনা ইন্দাক খুনথা মচা অমা ওইথরম্লবদি নঙগীদমক করি তৌবা ঙমগদগে হায়বা অদু খঙগদবনিকো। অদুগা খুড়াগী

য়ুম অচু খায়দা ওইরম্লবদি সুংঙাইগ্রনিদা। কুরে হেক্তা হংলগে (খর চঙলগা) ইচল শরুবী করিগুম্বা অমতা হংজগে ?

থম্বাল—কমানো ঐবু ওইবিরব্রা ?

কুমার—মানি, করিগুম অমতা হংজনোংদুনা তৌবনি রারোবীগনু। ঐনা হংজনোংইবদি খুড়া ভাপোকী য়ুম অসিবু কয়াম রাৎলব গ? অমুক্তা ভাকপিয়ুবা ঐ য়াম্না রারদুনা তৌবনি।

থম্বাল—ঐখোয়গী খুড়াগী য়ুবদি হেন্দোরক্লে—। মথক্তা লৈহোরে।

কুমার হেন্দোক্লবা! সুংঙাইরেদা ইচল শরুবী। করিগুম্বা অমতা হায়জগ ঐবু হন্থোইগনু মতম অসিদা মীগী ময়ুমদা চঙবর্দি সুংঙাইত্রে। অচীকপা মকম অসিদা ঙাহাক্তং পোখাদুনা লৈজরগা চঙজরগে। চানবীদুনা ঈশিং খজিক্তং পীকথকপীয়ু। রারোবীনু খোয়াংমল্লদুনা, লাম্মল্লদুনা তৌবনি।

থম্বাল—লৌনম্বা নঙবু কমানো? রাহৈদি য়াম্না চোকথরবা ভোরবা মী মাল্লি।

কুমার—অশেংবনি। ঐ য়াম্না রারবনি। ঈশিং খজিক্তংদদি থকচখিগে। ঐ, ঐখোয় খুড়া ভালোকীদা লাকুচবনি।

থম্বাল—ও...... ....[চঙখিবা]

কুমার—অমুক্তা ঙাইবিখো-ও ...... চঙখে, ও! করিগী মীঙোন্দা অমুম্না হায়রুরি? নঙগী অপোকপা নচন্না? নঙনা

যাত্রু কলৌঙে উব্রে। অদুমু স্পুধিৎ না অকক্ম অদু মাইরেম্বীগী শক্তোনি। অদুগা শীবু স্পুধিবকী কক্সরবা পুকচেল......কনায় ঐগী থৌরাংবদি?

থবাল—[ঈশিং পুদুনা ক্ষৈৱদা চঙলকই অদুগা কুমারবু য়েংদুনা কৈ]

কুমার—ঐনা যাবু ইচল শক্না দুঃশিকক্নবা কক্লিগীরো—নৈশ্লক-পদা থবালদু উই, থিং চানৈ কৌনৱা এমনরে বা ত্তাঙনদে।

থবাল—ঈশিং (পীবা)।

কুমার—ও। (চাংলেয়া) কক্সরবা পুকচেল অদুমক্না ইচলগী খাইদগী লেম্বকমনি। থৌরাংবনা পুথবদলবা বকচাং অসি অমুক্তা মৈচাক ক্রোকচগে। মঙবু অমুক্তা তাকপীদু—ইচলবু পোকপা পদ্মোগী থিং অমুক্তা।

থবাল—এবু পোকপা পদ্মোগী থিংনা চাউজল। লাক্না পুরবা শিরমদাই য়ৌরক্লবা ইপানি। মাইরবা... ...।

কুমার—মাইরবী—ঐম্ব মাইরবনি ঐগীদি কনাসু নৈজগ্রে। মকম অসিদা ঐগী খুড়া তালোক্মৈদা নৈক্সা মতম থরদং থরায় হিংনবা জীবন অসি লেনগে হায়দুনা লাকচবনিং [মতমসিদা ঘোড়া য়েংলয়গা চংখি] ঐগীদি কনাসু নৈত্রবনি হায়য়ু—নওগুম্বা ইচল অমতং ঐনা পুলি অসিদা কংজনীংই।

থবাল—(মিৎতগী পিগী ঈরা চেম্বুদ্ধ) তাদা। ঐগী ইকুৎক ইপাসু নৈজদে। ঐগী ইমাদি... (হিক-হিকা-কপই)।

কুমার—ঐ লোইনা তারে—কুরিগী রাত্রি, য়েংউ মতম চানা

থোরক্লি সুনিং, তাবসনৌবি [illegible] [illegible] অমুকহ
হেংউ যাওশংগী মতম— মতমচানা চুংশি; ইটা ইদ্রে [illegible]
লেশাবী কানগী থোরক্লোই মঙ এঙ্গী সুনিং থোরক্লি।
সুনিং থোরকনি শোয়দনা। থোরকনি নোংমা নত্রগা
নোংমদি।

খবান—তাদা। ঐগীদি থোরক্লোই অমুক হন্না—
তাখিগনি নোংমদি শোয়দনা।

কুমার—করিগী থোরক্লোই শোয়দনা লাকই মতম—

খবান তাদা! ইপান্থ শোয়ে লাইরবস নোংমা-নোংযুগী [illegible]
জিলক্লি। ইমানা ঐবু থীরা থীনা চৈ। ঐগীদমক্তা
করিমক্তা থনবীদে মীগী মযাওদা চৎকাব্রবা কয়া নংলি।
অর্থাৎ ওহারবৌগী মতৌ অদু থৌজিক হাওবা থোক্লি
হপানসু হায়বা হন্দে অচুনা অমম্বা য়ানা হিংগদবগী
শরুক্তি নোংমা নত্রগা নোংমদি ঐ শোয়দনা শিখিগনি,
শোয়দনা শিগনি।

কুমার – করিনো য়া অদু হায়বৈবে-হায়বৈবে। পোকচুমদন্না থোক্লা
মপোকনি। করিগী মতম চাদনা শিগনি, করিগী য়াবি
নওগাদমক ইবুং লৈরিবসিদি। ইচলগী করি য়াংলি?
হায়য়ু · লাইরবা নবুং ঐনা ইচলগীদমক্তা করি অমক্তা
তৌবা ওয়রোইদ্রা (মূমা য়েংবা)।

খবান—তাদা। (মূমা য়েংলগা মথিংতগী মপি তারক্লি। মতমসিদা
য়াজো, বোড়া থোরকহ)।

রাজো—(খাওনা) হায় মিশা! কুমাদা উমিথিরিবনো? খুড়া!
    লাকুনা পচংখত্রে।
ঘোড়া—(কিনা) হবুংঙো! ঘাস—(মতুংদা লৈয়া)।
রাজো—খুড়া মিকিণী, কৈ।
কুমার—ভার্য, মরাল লৈতবা মীবু ফুরগা করি কংগনি, মরুপতা
    ঐনা করি অকান্নবা চংখ্রবগে?
রাজো—করি! নচিন অমুক থীবা শ্বারি (চঙশিন্দুনা লাকুনা
    চিংথুবা, কুমার তুবা, রাজোনা নম্বা, ঘোড়ানা চৈনাকুবা)।
কুমার—ও·........
থম্বাল—লৈকাই-লৈকাই মী হাৎলে, মী হাৎলে। ঐগী ইবুংগী
    মথরায় অমুক্তা কনবীয়ু, কূনা লৈবগে (চঙডুনা চিংথোকপা)
    মসুংদগী ভালোক লাউরকপা মী হাৎলে)।
ভালোক—কনা কনানো? (রাজো ঘোড়া চেনখিবা থম্বাল
    কুমারবু কৌনিবা)।
ভালোক—(ফিংনা চঙলকপা) কনানো? হায়! করি তৌরে ইবেম্মা?
থম্বাল—ফুরক্লিবা খুড়া।
ভালোক—কয়াম থীনা শোক্লে? (চঙডুনা কুমারগী মমায় ঈ
    তৈবা অহু ভেথোক্তুনা য়েংই—মানা মানবা মী অমা
    ওইরমডুনা) মসি-মসি।
কুমার—(মশা অহু চোকথনা মমিৎ পাঙথোকই)।
ভালোক—হায়য়ু নহাক কনানো? মশক অসি ঐখোয়গী........
কুমার—কনানো? ও.... ঐ কুমারনি খুড়া—

ভালোক—কুমার। করিনো [illegible] তৌরিবনিদি ? ([illegible])
ইবেম্মা হায়বু, কনা, কবানো ? অদুগা ইচানা করি
অকায়বা তৌরয়ে।

থম্বাল—খুড়া য়াম্মো হায়রবা করিনো ইনাক খুনবা মচা নমথাক
কনবা অদুগা মখোয়গী মীলাই অদুগনি। তাদা অসিগী
মরাল করিস্থ লৈতে। মানা করিস্থ হায়রুবা নত্তে।

ভালোক—উম্........মরাল লৈতনা ইচাবু করিগীদমক্তা মখোয়না
ফুবা। কৈ ইচাগী লমন চপ চানা খুমগে, ফরে, চঙলসি
ইবুংঙো। (কোনথংপা)

থম্বাল—খুড়া ঈশিং থকনি হায়না পুরকপা অসিস্থ থকহৌত্রে।

ভালোক—করি, ঈশিংস্থ থকহৌত্রবা। (কপ্পী-কপ্পী তৌবা) ইপাগী
ইবুংঙো, করি তৌই ইমুংদা চঙলকপদি ?

কুমার—খুড়া ! ঐ য়ৌরকপদা ঙায়জরি।

ভালোক—ঐ লেরিঙৈদা ইচাগী করি য়াংকনি, উম্ অদুবু ফরে
ইমুংদা চঙলসি (শমদুনা পুগদবগী থৌরাং)।

থম্বাল—(মুংশা থীজদুনা) খুড়া ! করিস্থ তৌররোইকো ?

ভালোক—হায়-মসি ইচানিনেহৈ। মাগী করিস্থ য়াংপা নত্তেনে।
খুড়ানা লেপ্পা তোকদবা নত্তে। মতম চাবদা ইপানা
লমন খুমগদবনি। ঙসি ইচা লৈরমদুনা ইচাগী থরায়
কয়ে। ফরে, নঙস্থ লৈহৌরো। খুড়াখোয় চংলগে,
(কুমারদা) চংলু ইবুংঙো, খুড়া শমগে।

কুমার—য়াগনিদা খুড়া, (চঙখি)

থম্বাল—(চঙখিবদু য়েংদুনা লৈহৌই)।

—লাইট ওফ—

অহানবা শরুক

(হেবা ভংগ্রা)

যুম

[ইমাক খুনরা তোম্বগী যুমনি। যুম অসি মনানমক উইত্রবনু ইমাক-কৈমাক খুনবগী হৌনবা তক-তরু, মাম্না নৈরং তাহনা পাবা যুমজাওনি। লৈ-তু থাবা, লাই কয়া থেংপা থহনা মওং অমা ওইনা কনহল্লি]।

(মী লাকপগী পোথাকম ওইনা কা অম্রগী মওংনি। মেজ অমা চৌকী ১/২ মু লৈবা চিই। মেজ মথক অহুদা চুরুট কম্থোরবা এস্ট্রে অমদি চিংরাদি লৈব্রা উনে। যুম অসিগী মীনাই ওইরিবা বোড়া যুম অসিগী মপা, মমী শরুক লৈরবনি। মহাক অসি চমসা-চবা মীনী। লৌকি-সৈনল অমত্রু অপোক চুমথিন ওইরি। মতম অসিদা খুল অহুগী নিপা অমা ফাওন-তৌনা চঙলকই।)

নিপা—ও। খুড়া যাং অমতা হংজগে।

বোড়া—(লেখাজনা তাঙ্গ্লা) করিনো ইবুংঙো নখনা মিং পন্দুনা হকতম কৌরিসিবু হা? নচকু ইমাগী থংজিনে। মচোং পাক তাইদবা হৌজিক খালগী মহাজনা অসিমা।

নিপা—এঃ এঃ করিনো তৌরিসিবু। নত্তে খুড়াগী মিংসু থওদনা ঐনা কমদৌনা কৌগদৌরিবানো?

বোড়া—কৈদৌবা ইবুংঙো?

নিপা—(লাউনা) খুড়া হায়না কৌবনে।

বোড়া—হাইরে, হে— থুড়াদি মা থরা ভাথীবা থীদিদা খুড়া
যায়বগুলা বোড়া হাবৈবগুম তারুরে। ফর্তে ফরে, আঃ
(মুমিং লায়বা।

নিপা— ঐঙ্গুরুকী অাইবুংঙো কোকমুগী মুম লটি থুইবগা ?

বোড়া—ইহে এদি তোমমু কোকে হায়রা, অোড়া বাক্ত লায়বা
খঙলত্রা ?

নিপা— থীদা, ও তোমুমুগী মুমবু হংবা ?

বোড়া—ও........ অসিরনি সিদনি সিদনি।

নিপা— বার্তাণ অমা পীরকই। সি অমুক্তা।

বোড়া—করিগী চেনো অসিদি ? (লৌবা)

নিপা— হন্দক কুল অনৌবা অমা লিংখৎপগু হোৎবগী বার্তাণনি।

বোড়া—হা কুলা লুহোংবগী বার্তাণ ইস ইবো করেদ। ফুহৎবনি-
নেঁহে ইবো মন্থ পাখত্ত ওইরিবা।

নিপা— ওখোকপা অহল হায়বত্থ ওইরে।

বোড়া—ইবুংঙো কৈদোউঙে ভারবা ?

নিপা— ইসে, হয়েংনিনে খুড়া।

বোড়া—হংচিৎ ? হাৎলিদনা আঃ ফরে ফরে নঙগী তাইবুংঙো লাক্লগা
তম্লগে। অত্থগা কয়ুমনোনে ইবো মানা হোঙগদৌরিববু।

নিপা—থীদা, ও কুল মমুম। তস, করৈনি। নাতে চাদবা
হায়ববু (চৎখিবা)।

বোড়া—হা কোম্থোঙম ? কমনথ বা পোৎনিদা ময়াইবক্তম কৈ
হায়। চৎলো চৎলো। করিনো ইমুং অদিগী বার্তাণ
অদি মীনা পু-থাংবা ওৎপোৎ নত্তে। আঃ লুহোংবগী,

হা পোয়রাথকী, হা খোওবশিনাবী, হা খায়েরকী, হা অহল্লী নাইত্তে চাদ্রবা হায়রবু (কে অহু মকোক্তা, লেৎপা কিদা খেৎঃলি)। (মতম অসিদা তোম্বমু চংলকই)

তোম্বমু—(কৌক্তা চংবা হোবা) তাদা খোড়া অমুক্তা লাকথো।

খোড়া—(মকোক্তগী কি অহু লৌখোকপদা চে অহু তাথিবা অহু খওদবা) কমদৌবা!

তোম্বমু—ওসি য়ারী খর শাথিসি ওাইখো।

খোড়া—লুহোংবদি ওসি নত্তে, হংচিৎনি।

তোম্বমু—করিনোনে হা— য়া খর ওাওনসি হায়রগা লুহোংবা ওসি নত্তে হংচিৎনি হাথিরিবদ্রবু কনাগী লুহোংবনো?

খোড়া—আঃ করি ওাসাইগী বার্ত্তনদ্রবু (মকোক্তা মাবা থিবা কংদবা) ইহে কদাইদা থন্নমএ? ইস মাওশ্রেদনা। ইবুংঙো করি! কুন্না,—কুন্না লুহোংবগী নি। হংচিৎনেয়ে। আঃ কোম্বোজম নিওোলনি হায় বার্ত্তণ খৌরম্নবনি।

তোম্বমু—কনাগী কুম্নোনে? বার্ত্তনসু লৈত্রবা, করে করে, কোন্না হংবা হায়বদ্রনি। আঃ য়া অমা হায়গে তাও।

খোড়া—তাকপিয়ু!

তোম্বমু—ঐগী ইচা অসিনা পাম্মী, লৌরমু হায়বা য়াত্রবনিনা সুপী অসি লৌবদা তারেদনা।

খোড়া—আঃ থম্বালবু?

তোম্বমু—হোয়নে মহাকপুনে। ঐমু য়াম্না থল্লবা পোৎনি। অদুদা ইচা মথক্তা পোকচবনিনা মনীং থুংহনদবদি য়াদেদো।

বোড়া—মনীং থংবদা লৈরিবা মুনী অমাদি পানজদেদা মদু।

ভোলম্—ইহে মনীং থংবা হাবা মশেষৈ। অদি মনীং যুক হংল্লা য়াদে হায়রবনিনে।

বোড়া—ইহে .... হোয় হোয় চুমই। মথন্তা পোকচবদিনা মনীং শুংহুনদবুদি য়াদে।

ভোলম্—ঐনা মপা মমাগা ভাংনজ্ঞনা লোইরবনি। নুপা চংগে মথৈ চংজমনু ঐ লৈরি, হা—করি হায়বগে?

বোড়া—য়াম্না নুবা অমনা মথোয়গী মনাক অত্তুদা লৈবা করি কুমার হায়ব্রা হন্দক্তা নৌনা লাকপা লাইর-চুংনবদু মতুংগবু মতা অমা ভৌনরিদা।

ভোলম্—ইহে—বোড়া নওসে ওন্থোক্লা পঙব্রেদকো, ভৌজনমুহৈ। মমা মপা অনিনা য়ারিদনা। নুপামা লৈগদৌরিবনিনে। ইসে হৌজিকসিদিনে ইবো পৈশা পায়রবদি লোইনা থুক্তা লাক্তবনিনে পঙব্রেদকো।

বোড়া হন্দকীসিদি লৈবদা ভারেদনা। এঃ ইবুংভোহু লেংভরে।

(রাজো লাকপা উবা)

(রাজোনা চংলকপদা চিঠি অমু উবা থুন্দুনা)

রাজো—করিগী চেনো অসিদি থুড়া।

বোড়ো—ঐনা মাংখে, হায়রুনা ভৌরগা অত্তুদা লৈরব্রা? কদায় কদায় লুহোংবগী বার্ত্তনুনি। পাবুংদা পীয়ু।

(রাজোনা মপাদা পীবা মপানা য়েংবা)

ভোলম্—(শাওরপনা) বোড়া।

বোড়া—শোয়রক্রবা লুহোংবা ?

তোম্বমু—নওগী লুহোংবগী বার্তনবু অদিরো ?

বোড়া—মানিনে (চংদুনা য়েংবা) মানি, মানি, সিনি তাহো-
বনিদনা।

তোম্বমু—অসিবু লুহোংবগী বার্তনলো, হা বুহুসিদি ?

বোড়া—লুহোংবগীনিনে ইবুংঙো।

রাজো—করিগী বার্তননোনে পাবুং ?

তোম্বমু—হেরা হন্দক ময়ামা স্কুল অমা নৌনা লিংখৎপা অদু
হয়েং হোংগনি অদুগী বার্তননি।

বোড়া—স্কুলগী ওইরে।

রাজো—পাবুং হন্দক মখোয়না তৌবা অসি ওম্বোক্লা পামখিত্রেদা
পাবুংবু চৎকদৌরিব্রো ?

তোম্বমু—ঐস্থ খল্লিবনি। হন্দক মখোয়না তৌবা অসি ইপাস্থ
মুংঙাইত্রিবনি। অঙাং মশেন মুংঙাইনত্রগা মাগী ভালোক
হায়বদুনা ঐবুস্থ মোলোমগকা থম্বা শারী। মতম চাবা
অমদা লমন খুমগে হায়দুনা ঙাইরিবনি। মখোয়না
মথক খর কারগা, অচৌ-অশাং খর খঙনরগা মী ওইন
উত্রে। খুল অসিগী মী অমতা মখোয়গা চংনহল্লবা
ঙম্মী হায়বসি মখোয় খঙত্রে।

রাজো—পাবুং অমুকস্থ য়েংউদো মনীংগী পাৎ ওইনা লৈবা
কোল্লু লোকোল, মায়া অদু মখোয়না শেমদুনা লৌ
উনবা থৌরাং তৌরি। মখোয়গী লৈকাই অদুনা কুল

অমম্ন লিংখৎলে। অদুদা নত্রনা লৈরক খুলক পৃথা লম্বী অহু ময়াম চংদুনা শেম্বী মখোয়সি পঙখ্রবা জাৎলি। গোভর্ণমেণ্টনা ময়াইনা শেমজগদবৎন্নবু।

তোল্লমু—উম। ঐ লোইনা খঙই। মখোয়না খুল অসিগী লৌ লৈতবা লাইরবা চুদৎনরবা অয়াম্বা মখোয়দা চঙব্রে। হয়েংদা ঙাযরে, খোঙ পায়রুনা চানীংঙাই লৈত্রে হায়দুনা লিরগদবা। য়েংউ, বন্দক্তি কনা অমগুদা চেং মরূ অমা কাওবা পীরোই— কমদোগে য়েংসি; তোল্লমু ঐগী ইগুণ খঙদবা শারি।

রাজো—অদুগা পাবুং ঐনা খ্বাইদগী শাওনীংবা অমনা লাইর চুদৎনবা কুমার হায়বদুনা স্কুল অদুগী ওৱাকা ওইরদুনা আদগী লারুগা সিদা বাবু শারি।

তোল্লমু—খঙএ ইপা লোইনা খঙএ, চঙলো চঙলো চাক চাখোক-লুরো ইপানা মমুংদা লোইনা কনবা তৌগনি।

রাজো—(বোড়াদা) খুড়া করি ইনশাংলো?

বোড়া—ইবুংঙো খুড়াবু অমুক ইন্নু হায়রিব্রো?

রাজো—চ-র-দা - করি ইনশাংনো হায়রগা।

বোড়া - ইহে, আ ইবুংঙো। ঙাক্রাগা শোইবুমগা খোংবনি হেক চারুয়ো। (রাজো চঙখি)

তোল্লমু—তারেদনা খুল অসিদা লৈরিবা মী পুন্নমক শেল চাইখোক্লগা মচিন চুমহনগে।

বোড়া—(খেরায়না তাদুনা) চেনববু য়ারবদি মচিনদি হংগে মখে

হৌজিক্তুনা মচিন চুখা নহাইনা থুনবাগনি।

তোম্বু—থিদা মসিদি; মদা পঙনা খীগা ঙা ভাঙবা মেল

তারোইদৌদ্রি। করে কোম্ব থবকনা হায়বগনি।

য়েংঙোই যাঙোহু চাক চারগা অমুক চৎথোকপ্রু

হায়নুকো ঐ থবক থমত্তা চৎনুখিগে অরক্ত্রা।

খোড়া—তাজরে— তাজরে— (তোম্বু চৎখি)

খোড়া--ঐনা না থরা তাথিবগা মপা মচানগা থকপনে চপ

হেক মামৈদা সন্ত্য। ইহে— (মঙুংদগী ঙাক্তোগী মরুপ

নব য়ু থীনা ঙাওহুনা চঙলকই খোড়াদা থোকপগা

নবনা চঙলকপগা থেংজিন্নরে)

নব— হায়স্; হে অঙাং নমিৎ অহু উত্রা।

খোড়া—এ। করি? (য়েংবা)

নব— (মমিৎ উইরুম উইরুম ত্তোহুনা য়েংথৎলকপদা খোড়াবু

উবা) এ। খুড়া নঙ ওইরে।

খোড়া—(য়ুনম নম্বা) উং মনমসিদি (মনাক্তোন মেন্থুনা নৈথোকপা)

নব— খুড়া মমঙ্গা নঙোন্দা চিকপ্র? হা····মসিদ্রি, ঙা হংগে

তাওনে। তাইবুংঙো নৈত্রা? (মনাকোন্দা)

খোড়া—নৈতে (মমায় নৈথোকপা) মমায় কয়া থকখ্রবা অঙাংনো

নব— (তাহুনা) হৈ খুড়া নঙ ঙসি থাঙ চাগেদ্রা হা?

খোড়া—হৈ বুহু (শৈরামনা তাহুনা) ঙসিবু থাংজন্না হায়রসে।

বুহুসিদি য়ু থর থক্লগা ঙসিবু থাংজরদাইনা।

নব— খুড়া। (শাউনা) ননাহু হল্লো হা ননাহুবু হল্লত্রা হায়রা?

[illegible] বসি, [illegible] [illegible] ঐক [illegible] [illegible]
ঠৈ [illegible] [illegible]।

নব— ইসে ঐনপা যু তাওবনে, থুড়া [illegible] [illegible] [illegible] তাওনিংবরে। থুড়া! বা [illegible] [illegible] ঐ যু থর থকলে। নত [illegible] থর [illegible] [illegible]?

বোড়া— [illegible] ইশাই ম ই ঐবু যু [illegible] [illegible] বা? [illegible] যু থকপা কনয়[illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible]বদি নত ওসি থুংনাং চারোয় (মকি পেকা)।

নব— থুড়া, যুনা ঐনা [illegible], [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] নত [illegible] তারে।

বোড়া—বা, তাব [illegible]— [illegible], [illegible] [illegible] থুড়ানা [illegible] [illegible]। বা — থুড়াবু [illegible] [illegible] [illegible] তাব [illegible] তাবিলোংনি। [illegible] তারিপোংনি।

নব— এ, [illegible] তাবিরেদো। নত [illegible] [illegible] ঐ [illegible] ৈনেবরোই ([illegible] [illegible] [illegible])।

রাজো— [illegible]! তিয়াব [illegible] বাবু।

নব— [illegible]। রাজো বাবু ([illegible] [illegible])

রাজো— তায় কবিনো [illegible] [illegible] [illegible]—

নব— ঐনা, রাজোবাবু, ঐ [illegible] [illegible] [illegible]। অতুদা বেংউ, নথোয়গী থুড়া [illegible] [illegible] ঐবু [illegible] কবিবা [illegible] [illegible] [illegible] তৌনিবা।

রাজো—ও ভাই, অদমি খর হায়জবা হায়ত্তনি শাউবিরম্নু—
(বোড়াদা) খুড়া। করি হায়রুরবগেনে ?

বোড়া—কমদোবা ইমুংঙো।

রাজো—করি করি হায়রুরবগে 'ঐখোয়' ভায়না অমুক য়াম্বা
শাউরিবা অসিবু।

বোড়া—শাউদসি; মাদা য়ু থক্লগা ঐবু য়ু থক্লেগা হায়ক্লা
ওইদবা তাক্তা পঙহায়দা হেক্তা হায়রে। অদুদা খুড়ানা
শাউত্তনা.... ... . ।

নব— খুড়া— ইয়ু নক্লেন্স (শাউবা)।

বোড়া—তো—তো য়ু থকই হাধরিবসি——মসি—(ফুগে তোবা
নব থাঙ শংপা, রাজোনা খাম্বা)।

রাজো—এঃ এঃ খুড়া তোকও তোকও, ইমুঙদা চঙঙো থবক
ইনথাং তোগদবা তোরুয়ো (বোড়া শাউনা চঙখি)।

রাজো—ডিয়ায় শাউবীগনু, না থর ভাথীবা অচুদা তোরিবনি।
অচু করি করি কমদোবা ?

নব— তায়! হায়রো ডিয়ায়না পাম্বা। করি মীংদা থুংদবা
নৈবগে ? ঐ নৈরি, নত্তে ত'য় কনা হাথনুগে ?

রাজো—ডিয়াক মী তানি, তপ্না ওাঙমসি।

নব— ডিয়ায়! মী তাগে তাসনু, মথগী হকচাংসি 'য়োংদা
শাবনি। অখিং—।

রাজো—এস্ তপেংবনি, ঐনা পাম্বা-হায়বা তারবদি ডিয়ারমু
থঙবীরিনি— থম্বালগী মরমদা... ... ... ।

নব— খন্নাল ! এস, ভাব ভাজরে— অদু হৌজিকমক হেক্তা কারুসি হায়গে ?

রাজো—নো - নো-- হৌজিকমক্তি মদু থৌখিনুসি ; ঐখোয় কাদরুনা কয়া হোংনরি।

নব— অদুদি করি মখা পাখা ?

রাজো—ডিয়ার. পার্টি অমা চাউনা তৌরগা ঐনা শুংঙাইজনা মীসি হেক্তা .... ।

নব— লোইখোকপা—এস্ (মোকমীয়বা) গুড আইডিয়া মদুদি নবমা য়াম্না হৈনে হায়রিব। । কনানো হায়রো ঐ রেডিদা লৈজরে।

রাজো —অতৈ নত্তেনে তায়, কুমার, কুমার খঙখিরিনিদা। ঐগী কাদা য়েংপা মখাক্তি।

নব — ও। আই সি। অদুবু মহাক্তি য়াম্না কবা মী অমা ওইনা উইদা। রেল, ওইসনু য়রুপকীনি ; নেভর মাইণ্ড।

রাজো—ডিয়ার। হপেংনা হায়রবদা মহাক অসিবু হিংনা হুম লৈবা ভাবরবদি রাজোদি শিবনা কৈদা।

নব— ডিয়ার। নঙসি ওস্থোক্না পঙথ্রেদা। খুল অসিগী মী লোইনা মাগী মীচঙদা লেপখিসনু মখোয়বু লোইশিনবা ঙম্বা ডিয়ারগা ঐগা লৈরিবসিদি। হম্বৗগনু মাইণ্ড।

রাজো—এস্ রাইট হেণ্ড:সক (খুৎশোক্নবা) ডিয়ারনা তৌবিগদবা হায়রববু মাগী অকায়বা য়েংবিবা। তাক্না হেক কংবদা থক্.... ....। (ঊজিং তৌবা)।

[illegible]— এব, [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] মুখিং অসিদা [illegible] (ছু সিরি লৌ- [illegible] [illegible] [illegible] .... ।

রাজো—ও ! তেরী তেরী থেকন (লৌখা) তাকানো (লোকনিরবা থকপা) উম, তাং থনি কনোমগী [illegible] ?

[illegible]— [illegible] [illegible] [illegible]।

রাজো—ও হোয়নে ঈশিং রাম্বা স্নানশিনলমহল্লে। [illegible] থাদে।

[illegible]— [illegible] রাম্বা লৌহৌরিবা (রাজোমগী [illegible] [illegible]) ফুর্তি ওইরে তিথার [illegible] [illegible]।

রাজো—Thank you— লেতলসি।

(মমথার [illegible] হাইরং হাইরং [illegible] [illegible] লোকখিরা)।

—লাইট অফ—

অহানবা শরুক

(অমা উংপা)

[illegible] [illegible]

[কুমার চৌকি অমদা [illegible] চে ইথোক ইশিন তৌরি। তালোক চঞ্চলকই। উপাগী অমদা উবাক অমনা ব্রেক বোর্ডকী [illegible] চারি।]

[illegible]— [illegible] কুমার।. [illegible] [illegible] [illegible] লোইনা বার্তন তৌরেক্লো।

কুমার - খুড়ানা ভাকপিবা অয়াবা অমত্তা চিথকদা তৌজরে।
ভালোক - য়াম্মা কয়ে। অতুনদি হয়েংগী তৌপয়া খৌয়াং করি করিনো শেমদোক শাদোকপা লোইখোকও। ময়াম লাকপদা খঙহন্নবা তৌয়ো।
কুমার - থবক অতৈদি লোইজরে। ময়াম লাকবদা ভায়রে।
ভা লাক—করে করে, অদুদি খুড়া থবক অমত্তা চখোকউথিগে। অহলশিংস লাক্লগনি
কুমার—কনি। (ভালোক চংথি, ভাহাক লৈরগা অহল খর লাইরিক শিলেট শেগাদা য়েন্নগা লাইরিক তম্বা চঙলকই। অহলশিংগী মরক্তা ইবাইহল, চাও'পা-নচিংবা য়াওরি)।
ময়াম—(কুমারবু উবদা খুরুমই) ওঝাবু ওঝাবু!
কুমার—এঃ এঃ করিনো খুড়া! দোষ ওইগদবা থবক্তা।
ময়াম - এঃ করিগী ইবুংঙো দোষ লৈগদগে? অঙাং খঙদে, অহল খঙদে, ভাকপি তিকপি তৌরিবদু ওঝানি, গুরুনি। দোষ লৈতে ইবাইহল অমুকস্থ খুরুমসিদে', মরাহৈসি সুংশিন্দ্রো?
ইবাইহল—য়াই, ওঝাবু অমুকস্থ জয় জয় (খুরুম্বা)।
কুমার—এঃ করিনো তৌরিসিবু ওকএ ওকএ কিদারোয়দা লেঙশিন্লো।
১বা— কমনি কমনি ওঝাবু, ওঝা ঐখোয়দি জাৎ অমনি। ওঝা ওইত্রিদৈদহি কৈদো, ওঝা ওইরবন্দিনা বেড়া লৈত্রে। হা করি হায়বগে ইবাইহল।

ইবাইহল—চুমই চুমই, অমুকন্থু থুরুমমীংঙেদো। লাইরিক থম থুনা হৈনবা।

কুমার—করে করে খুড়া! আঃ অঙৈদি করি তৌরে, খুড়া? ওল্লিবনরা?

ইবাইহল—এঃ ইবুংঙো ইহে ওঝাবু, মখোয়গী থরায়না য়াওরিবা য়ৌরক্লিসে।

কুমার—ওল্লিবননি য়ৌরক্লংনিদা।

ইবাইহল—য়েংউ ওঝা, লাইরিক তম্ববু থবক লোইরগা তম্বা য়াব্রো? হা শক্তিক কাল্লমখিনি, হা লৌরি শারুখিনি। হা নাপী কোইরগথিনি অসিনি। মসিবু থবক লোইরগা তম্বা লাকপা য়াব্রো?

কুমার—খুড়া লোইনা য়াই, মদুদা য়াদবা করিস্থু লৈতে। অদুদা ঐখোয়না তমসি হায়না ভাওনরিবা মতম অসিদা নংনবা লাকপা কৈ। মতম অসি য়ৌগ্রিংঙদা থবক ইনথাং য়ুমগী তৌবা য়াবা পূম্নমক লোইখোক্লমগদবনি। মসিস্থু তৌদবা য়াদবা অমনিদো। খুড়াখোয়না থঙবিরিগুনি। হৌজিক্তি ইশা ইশানা নোংরগা, শুক্তরগা ইশাবু থাকচবা হায়বসি তৌদবা য়াত্রবা ইথোনিদো। মরু ওইনা অহল নহা খাক্তনা মিংদা ওইরবস্থু সহি তৌবা ওম্নবা থঙজিনবা অসিনি।

অহল ১বা—মানি ওঝা, মিংদা ওইরবস্থু থত্তনবা হোৎনহৌবা অসি ঐখোইগী অকবনি।

কুমার—অমনা, খুড়াখোয়না ঐঙোন্দা ওবা ওবা কৌবসি পারবদি হায়বিগনুবা। নোং' নিমি অহুক তামবা হায়বগুনিদো। হায়া খুড়াখোয়না ইবুংঙো কৌবিবা অহুম্বা অহুম কৌখিমু, মসিবনি ঐনা পামজব'।

ইবাইহল—এঃ করি তৌবগে, ওযাদি ওবা। ছাত্রদি ছাত্রা। হোয় হোয়, ওযানা কয়া হৈনব্রগা অমুক ইবুংঙো কৌবা তায়েদনা।

কুমার মহুদি খুড়া ঐনা পামজবা—ফরে ফরে। পারা হৌনবা তৌরসি। লাকবা অতৈহু অমুক লাক্লগা কোম্না তৌবা হায়বা অহুনি। (অতৈনা পারা কাক্লোকপা লাইরিক ঙৈরাইবা হোরে) তারাংগী পারা অহু কাবিরগত্রা?

ইবাইহল—তারাংগী পারাদি অ, আ কাকপা) অ আ পাজরকে ইবুংঙো ·অ আ ই ঈ উ ঊ ঋ ৯ এ ঐ ও ঔ অং অঃ কারেকো ইবুংঙো।

কুমার—য়াম্না কজনা কারে। অহু অতৈ খুড়াখোয়দি কাবীরগত্রা?

অহল ১বা—ইবুংঙো কারে। ইবদবু কয়া কজত্রি। পারকখোরা?

কুমার—কারবদি পাত্রবস্থ য়ারেদা। ফরে অহুদি মথা অমুক চৎথনবা তৌরসি। ময়াম্না ইবদা পুংভাইতে হায়বহু অমুক ইহুনা থেংসি।

ময়াম—ইবুংঙো, ইগে ইগে—(ময়াম ইরাও লাওহুনা ইবা হৌই)।

কুমার—অহুদি ইরিবা অহু অমুক থেংলসি।

ময়াম—ঐগী সে— (কুমারনা তৌহুনা ফর্জবা ময়ামপিং অঁহু

অয়ুম্মা ইমু হায়না ভাকপী ভীকপিরি, অয়ুম্মা ভৌরিভৈদা রাজো নব চঙলকই, মথোয়না ভৌরিবা অদু য়েংলুনা নোঙ্গরি রাজো চৈ অমা পায়রী।

কুমার—(রাজোথোয় উত্থুনা) মরুপশিং লেঙবীরকই।

নব— লাকচরি (খোশাদনা খুম্বঃ)।

মরাম— ইবুংঙো মসি রায়নিকো (য়েংহলবা)।

কুমার—য়ারনি খুড়া রাম্মা ফজয়ে। অহংগা এনা কাউবা অমা লৈরে। ঙারাংস্থ হায়হৌত্রে। নীংশিংলিভৈদা হেক্কা হায়জরগে।

ইবাইহল—কমদৌবা ইবুংঙো ?

কুমার—অতৈ নত্তে মনীংগী শল্লম থোনবা লোইদবা মতেক অদু কদৌঙৈনো লোইথোক্লবা অমুত্তা থম্নসি।

অহল ১বা—কৈদৌঙৈনো ইবুংঙোনা লোইথোকসি হায়বা মুমিত্তা হেক্কা লোইথোকসি।

রাজো—(ঈঙ্গিৎ তৌনরগা) আঃ খুড়া এথোয়গী খোংবাল অদু রাম্মা ফত্রে। লুপা কয়ানো লৌবীগদবা। হয়েং থর শেংদোকপিরো। ভায়কো।

নব— মানি ভায়—লুপা থোক থোক পীথোক্লগা লোইরে।

ইবাইহল—এঃ ইবুংঙো রাজো! খোল অসি ওয়্থোক্লা রাউথেদ্রা।

রাজো—No, No, খুড়া কাগী নচ্চদে অশেংবনি। অরামল মাঙহনজরোই হাম্মা লুপা পীজগনি।

ইবাইহল—ইবুংঙো খুড়াথোয়সি পৈশারালি শূবা মী নত্তে।

ইশা ইশাগী নৈরক, লম্বী থোং কত্তবা খুদোংচাদবা কয়া থেংহুনা অমগা অমগা তেংবাংনহুনা শুবা থবক্লি, পৈশাগী নত্তে।

রাজো—অদুদি লায়রবা পোৎলিনা। খুড়াখোয়না রাম্বা হেন্না পঙ্ঙবিত্রে। নত্তে করি হায়বগে ভায়।

নব— Yes right, হায়বদি কা-হেন্না পঙ্ঙবী।

রাজো – Yes, হায়বদি— মসিদি সরকারনা শোয়দনা মশানা শেমজগদবনি! মসিদা মরাম্বা থবার রাওবগী দরকার লৈতে। মসিদি তশেংনা অপঙবা খুড়াখোয় কাহুনা শীজিন্নবনিদা। নত্রনে (নবদা)।

নব— Yes—(খুং শোক্লবা)।

কুমার—ঐ করিগুম্বা অমত্তা হায়জগে। হন্দক ঐখোয়না খুদ অসিগী কত্তবা লম্বী থোংনচিংবা অসি মরুওইনা ঐনা অহলশিংদা হায়জহুনা তৌবনি। হোয়, চুমই সরকারনা শেমজগনি। অদুবু ঐখোয়সু ঐখোয়না ঙম্বা থবক্তি য়ারিবমখৈ অঙম্বা মখৈ লোইখোক্লবা হোৎনবা অদুগা সরকারনসু শোয়দনা মত্তেং পীরকনি। ঐখোয়গী থবক মচা অসিগীদমক্তা সরকারবু ঙাইহুনা লৈবা ভারবদি কয়াদা খুদোং চাত্রিবা? হৌজিক হৌজিক.চয়া ভান-জরিবা ঐখোয়, লম্বী, থোং খুদোং চাত্রবদি কয়া রাগনি; অয়াম্বসু নত্তে। ময়াম হৌরগা লোংমদা লোইবা ঙম্বা থবক্লি। ঐনসু অহলশিংগী মত অমত্তং লৌরগা

সরকারদা চে থাগে হায়না খনজরি। অদুগা খুদোং চানবা হায়দুনা Govt. না ঐখোয়গী ইনাক্তা Block সু থম্বীরে, মত্তেংসু শোয়দনা কংগনি খল্লি।

রাজো—ও—I see, থবক্তি কনা ফজরি। তাবদি কনা সুং-ঙাইরি। য়ারিকা লৌহল্লবদি ফাওনিকো, সত্য ভায়।

নব— Yes, ভায়, থবক ওন্নরবনিনে ওন্নরবা।

(মতম অসিদা ইবাইহলবু মাগী সুপীনা থিবা লাকই। অঙাং অমসু য়াওরকই। অমসু পোরকই, মন্নুংদগী লাউরকই)।

সুপী— (মন্নুংদগী) ও! ইবুংঙো কনা কনানো?

রাজো—ও.... ঐখোয়নি ইন্দোল।

সুপী— ও.... ইবুংঙো রাজো! নঙগী খুড়া য়াওরিব্রা?

রাজো—হোয়, ইন্দোল য়াওরি। অসিদা অঙাং মচা শারি।

সুপী— হা! করি—অঙাং শারিবা?

রাজো—হোয় হোয়, ও লাইরিক তম্লিবনি।

সুপী— এঃ মথ্বাং কোল্লবা, মচামক্তনা ময়ুম পাল্লবা মতম অসিদা হৌজিকপু লাইরিক তম্লিবকো!

রাজো—করি তৌনি ইন্দোল—খোঙগ্রাও অককপগাসু শেংক-দৌরিবনিদ', ছাত্র ওইরবনিনা।

সুপী— এঃ ইমাই—মাই, মচানা হিকুমুক য়ায়বা, ময়াম অসিনা কনানা য়োকদৌরিবা! কায়দে ইবুংঙো, রাজো! থুনা লাও হায়মু, অঙাং হোৎনবা ঙমদ্রে!

ইবাইহল—হায় করিনো ? চবেং চবেং ঙাঙলিবত্রবু হা, য়ুমদা চৎখ্রো চৎলু— ।

সুপী— ঐনা ঙসাইমথৈ ঙাঙলিবসি মাই-পাবুং ভাবীরিবা জাৎনিদনা । করে করে, চৎচরগে, অদু ঐদি অঙাং মরাম অসি হোৎনবা য়ারোইদৌরে, অঙাং অমসিডদি লৌবিহৌরো ?

ইবাইহল—হায়— মতোয়নরা নঙ ! ঐ লৌবা য়াদেনে । লাইরিক তমইনে ।

সুপী— মাই-পাবুংনা লাইরিক তমদুনা অঙাং শাদুনা লৈরে । ঐনা হনুবী শাদুনা অঙাং কোকথোংসিমগা লৈবা ভারবা ? এঃ লাইরিক্তু কোম্না তমও, থবক ইনথাং থরসি অমুক্তা লোইথোকখিসে । অঙ ংশিং অসি থর লৌবিরখো ।

ইবাইহল - হে ··· ···· নঙ ঙসি অওইবরা, চৎলু হায়রবদি হেক চৎখ্রোদনা । ময়াম মমাঙদা তাম-তাম ফুরক্কনি ।

সুপী— হোয় হোয়, ফুবীয় ! মাই-পাবুংনা ফুননা কনানা ফুগনি । হায়বীদে হায়নি, হনজল্লকপদা চরা হেম্লিকো (চৎখিব) ।

ইবাইহল চাকা চায়োই, চৎখ্রো চৎলো (শাউনা) ।

অহল—ইবাইহল । ঙসি চারা হেম্লিকো ।

ইবাইহল—থঙদেদা ইবো ! সুপীসি ফুবা য়াখ্রিনে । করিনা চানীংঙাইদি লৈত্রিদো । অঙাংদি ভরামাথোই শুরে । মথন্তা থবক শূবদা কনাগী কেবা মৌবা-অমত্তা তমগ্রকদে ।

মেংউ থবক থবা তৌবিরেরো [illegible] [illegible] [illegible]

অমনা চাক লামদে, অমনা পৈশা [illegible], অমনা পোবীমু,
মসিদা চাম্বকম থত্তরবনে। মাগী মতৌসিগা হাম্বকবদি
তপত্তাবামথৈ ফুবা ম্নারবনি অত্তদা থোক চথোকপ্রবদি
ইচা মযায অসিবু ঐনা মোকপা ভারবদি .... ইস্...
থনবদা লুইদা চাও-পা।

চাওপা—ইবাইগী অঙাংসিসু থবদি য়াম্মনগ্রেদা মরি'মা মঙা'মা
ওইরবসু কগদবা, কদাইদগী অঙাং তরামাথোইবু কমানা।

কুমার—খুড়া! পোকপ্রবা অঙাং অদুগীদমক্কদি ফরে। মতুংদা
পোক্কনবা অমুক হোৎনসি।

ইবাইহল—ইবুঙো খুড়াদি শিনীংলথপোৎনি—শিনীংলবা।

কুমার—খুড়া! করি অমতা য়াবীগনু। অঙাং হেন্না পোকপা
থিংনবা হৌজিক ভারত সরকারনা য়াম্না কন্না হোৎনরি।
মতুং 'সিদদি অঙাং হেনগৎতনবা উপায় লৈরনি।

ইবাইহল—অঙাং পোক্কনবসিবু হাৎতোকদৌরিব্রা? অদু ওইর-
বদি পোকচথিগেদা ইবুংঙো।

কুমার—নত্তে-নত্তে খুড়া! অঙাং হেনগৎতনবা হায়বদি অঙাং
অনি নত্রগা অহুমদং পোক্লগা তোকপা য়ারবা।

ইবাইহল—এঃ অঙাং ২/৩ দং পোক্লগা তোকপা য়ারবা....।
ইবুংঙো মদু করি মন্নরোনে?

কুমার—খুড়া! মন্ন নত্তে লায়থ্রবা পোৎনি। হৌজিক ভারত
সরকারনা লৈরক থূনক্তা লরাই-ইস্ফাপদা কন্না লাউরিবা

চে থেংলিবা অদুনি। থরক মদু ময়াক্না কেমেলি প্লানিং হায়নবা অদুনি। মখিদি খুড়া, ডাক্তরগা তাময়গা লোইনা কোকপা ওয়গনি।

ইবাইহল—ইস্—অঙাং পোক্তি্রৈদা থেংনরম্লবদি কথ্রনিদা খিত্তং শোরখিদা।

চাওপা—হোয়নে ইবুংঙো, মদু ঐদি পামক্ল পামইনে। ঐগী ইচানিপা অহল অদু কৌক্তিক চহিদি কুস্থ্র। শুক্রি, মচাদি মরি শুরকদোরে। করিনো ইবুংঙো ওস্তোরা কথ্রবা শনবী হায়বদু ওইরে। কুম কাংবা লৈতে। পঙপোক্তা পোকই পোকখিদোরি।

কুমার—খুড়া মদুস্থ ডাক্তরগা তায়দুনা কনবা হোৎনবীহোবা কৈ। করিনা, হয়েং ইচাশিং অদুগী নীংবা খুংনবা হোৎনরম্লি থর রানা থোকই। মীশীংনা নোংমা নোংমগী হেনগৎলকইদো, চানবনা নোংমা নোংমগী য়াৎলকইদো। অঙাং মশীং য়ায়গা য়াম্না রানা পুন্সি লেনগদবগী মহুত্তা নুংঙাইনা লেনবনা কগদবোই থল্লি।

চাওপা—হোয় ইবুংঙো, হোরেলদি ইচা অহলগা য়াদ্রি শারগা হয়েংমক তৌহোদবা য়াদে, নত্রবদি অঙাং মশীং অমুক হেনগৎলক্লবদি— করি হায়বগে-ইবাইহল ?

ইবাইহল—হোয়নে চাওপা, অকবা থবক্তি মতম অমুক য়েংঙোকপা কত্তে। ওসিমক হয়েংমক তৌহোগদবনি।

য়াজো—অঙাংবু পোকে মখে পোকসনু করি কায়ে মদু খিংলগা।

কুমার—মরূপ, মশিনা মখাজগী অমাডবা অমা ওইরবগী মাংবদি তারগু খুঙগীরমগনিমা, অমম্নোমদা মসি কৌরবা য়াবা অমা ওইনস্ন কমা সরকারনা পায়থংলকনি মীংই। করিনা ঐখোয়গী চাখোকা, লমগা, মীগা য়েংনবদা মীনা অম্বকী মত্তিক য়ামগ্রে। যেমথা থুংনত্রে। অদুনা মসি য়াম্না কবা সরকারগী থবক অমনি. হায়না লৌজবতনি। ঐনা য়াম্না হেন্না খঙ-হৈবগী য়াস্থু নংচদে। অঙাং ময়াম অদুবু নীংবা থুংনবা হোৎনবা হায়বসিস্থু অয়ায়বা থবক নত্তেদা।

রাজো—খঙডেদা, লরাইনি হায়দুনা উশিত্তুনা পঙহায় হায়রিবনি। মদু ঐখোয়গী খুল অসিদদি য়ায়োই, অঃ নখোয়গী ইম্ফালদা তৌরুচো।

কুমার—ভায়, অমুক্তা তাবিখো, অমনা ঐগী রাখলদা লরাই ইম্ফালগী মত থোইদোকপা লৈতদে। লমদা লরায় ইম্ফাল খায়রব্বা য়াই। মীদদি থোইনা খায়বা লৈতে। অদুগা অমনা ঐনা হেক্তা পঙহায় হায়বগী য়াস্থু নচ্চদেদা, চুম্না স্থম তাম্নবা হায়বদুনি।

রাজো—(শাউনা)' অদুগী য়া নত্রবদি নঙনা অসিদা লাক্লগা মীগী........ অদুগা ওব্বাগাক ওইরিবসিদি করিনো? মদু পঙতৌ তৌবা য়াব্রা?

কুমার—নত্তে নত্তে, রাখল অদু লাম্লে। কনাগী মফমদা ঐনা অকায়বা চৎগ্রবগে? মদুস্থ তাকপিয়ু ঐনা চুমথোক্লবা

[illegible]। [illegible] ঐনা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]।
অহলশিংনা পূবীনা .শোই তৌব্‌,মনি, [illegible] ফু-
ঙাইজ্রক্লনা মমামদা ঐনা হাবজহুনা মিমুু, [illegible]
ইবা থোক্লবা হোৎনজবনি। চাওখৎলকপগী মতুংইন্না
ওব্বা কয়াম্র অহলশিংনা হাপ্পীরকনি হায়না নীংঙৈ।

অহল—চুমইদা ইবুংঙোদি ওব্বা ওইম্ন য়াদেদা। ঐথোয়না
হায়মনবগী তৌবনিদা।

রাজো—ওব্বা করবনিনা, কয়াদা ফজগ্রবা পাওখুমনো, মসিনা
(কুমারদা) ঐথোয়গী খুল অসি মাঙনবা মশক ওই-
রবনি। মহাক অসি থম্বা য়াদে হায়রিবসিনি।

ভালোক –(চঙলকপা) ঐনা য়াহুনা থম্লিবনি। মাবু, ইচা কুমারবু
তাম্বোক্কদবা মীদি ভালোক্না লৈরিঙৈদদি মরু হুনগ্নি।

কুমার—খুড়া অমুক্তা .. ....।

রাজো—করি অহল, ঐনা হায়রিবসিনি, মাবু ফূহুনা তান-
গদবনি। ফূহুনা—

ভালোক—অঙাং— নরৈ ফানা রা ঙাঙউ। অরেম্বদা নথরায়
মাঙগনি। করি নোক্কম নোকনীংই। নঙনা নোংমা
ইচাবু কয়া থীনা ফূবিরমই। নঙবু পোকপা নপাগী
মায় য়েংবদগী তোকপিবনি। হৌজিকস্থ হায়রিবসিনি।
ইচাবু ফূগদবা মীদি মরূ ইহুন তমগ্রি।

রাজো—করি খুডা, ঐবু মশক থঙদবা, খুল অসিদা ঐনা
তৌবা ঙমদবা থবক করি লৈ, কাৎকে তূপকে ইনীংনি।
কনানা থিংবা ঙমগনি।

ভালোক হাঃ হাঃ হাঃ (নোকপা) নোকে, পেম্না নোকে, করি ?
খুল অসিদা নঙনা নিংথৌ ওইরিবা ?

কুমার—অমুক্তা ঙাইবিখো খুড়া, মখোয়না ঐবু সুংঙাইভবা অমা লৈদুনা ফুগে হায়রিবনি। ফুসমু কৈদৌবগে ?

ভালোক--এঃ করি ফুবা ? মীবু হেক্তা ফুবা য়াত্রা ? মপানা নিংথৌ ওইরিব্রা ?

রাজো—খুড়া চেকশিল্লু (শাউনা) নত্রবদি থাঙ চাগনি (নবদা) ভায় নব (রাজো ঈঙ্গিৎ তৌনবা)।

ভালোক—লা লা·· ···· অহল ওইরবা ভালোক ঐ অসে ইচা কুমারসীদমক্তা থরায় অসি থাদোকে। লাও' লাও— নতিক থোক্লগা ঐগী মাঙ অসিদা ইচাবু ফুরোলাও মপানা, মচাবু ফুবদা করি তৌবগে হায়বদুসু য়েংউ।

রাজো—ঐবুসু মশক খঙউ। ইপাগী মচানী। ঐনা ফুগে হায়থ্রবদা ফুদনগাক তোকথ্রব্রা ? শেলনা লৈদুনা ফুগদবনি।

ভালোক—হাঃ হাঃ হাঃ করি, শেলনা লৈগনি, হাঃ হাঃ হাঃ শেল থর পায়রগা, খুল অসিগী মচিন তোংবা মী অমা ওইরগা লাইর-অনং অতোনববু করিসু ওইদনা উরবা, লাও লাও লাইরবদি থরায় পান্দবরা য়েংসি।

রাজো—ঐনা ফুগে হায়থ্রবদবু, (কুমারদা ফুগদবগী হোচিনবদা ভালোক্লা ঙাকপদা ভালোকতা চৈনা ফুখিবা)।

ভালোক—ও ···· ··· (ভুথবা)।

(নব-রাজো চেনখিবা ময়ামসু ভামবা, খাম্নবা)

কুমার—খুড়া – এঃ করিবো ....মাতুমেদনা।
ময়াম—কাও কাও, তুয়ানবগ্র মীহাৎপত্ন কাও, তোয়খিবা কয়াম অনুক চগুকলপা) লায়না চেনখিদা........।
কুমার—খুড়া ভায়বীরুবসু চেনজখ্রসু। নোংমা নঙ্গপা নোংমদি মখোয়গু ঈশ্বরনা শোয়দনা হায়কনি, তুয়ানবগী ভয়ানি মপুগী নোংমা শোয়দনা লাকখিনি।
ময়াম—অদুদি ইবুংঙো ইমুংদা পুশিগ্রবা ভৌসি।
কুমার—মতুনা কগত্রা, খুড়া অদুদি চগুলসি।
ভালোক—ঐ করিসু তৌরোই, কোক অসি থর ভাওবতনি। ইস্ লরাইমচা ওঙ্খোরা উশিত্তনা তৌখ্রদা খগুপনি হন্দক্তি।
কুমার—খুড়া! তুমিন্না লৈবীরো, চগুলসি ইমুংদা পোখানবা। খনবীরুরুসু মাগী মাগী থর্মনি ঐনা তৌবনা ঐনা, মানা তৌবনা মানা কংগনি, (কুমারনা শমপে তৌবা)।
ভালোক—য়ানি. ঐ ইথস্তু চগুগেদা (চগুখিবা) নখোয় লৈহোখো—
অহল—কনি ইবুংঙো, ঙসিদি ছুটি ওইরসি।
কুমার—কয়ে খুড়া, ঙসিদি অসুম লোইরসি হয়েং ঙন্না লেংবীরকউকো।
ময়াম—ইবুংঙো অদুদি ঐখোয় হল্লগে।
কুমার—কনি খুড়া—জয় জয়—।
ময়াম—জয়—জয়—(ময়াম চৎখি)।
কুমার—ঐগী ইরমগীদমক্তা খুড়াদুসু য়েংথীনহন্নবকো ও। কত্তেদা

ঐ অসে। অদুবু ঐনা মখোয়দা করি কন্নবা তৌরগে।
করি সুংঙাইতবা হায়রবে। মদুনা মখোয়দা থন্নায়
সুংঙাইতনবগী মরম করিনো। (থম্বালনা ঙসাইমথে
লোমা য়েংদুনা নৈরগী)।

থম্বাল—ঙাইবিখো ওঝা, বা অমতা হংজগে?

কুমার—করি য়ানো থম্বাল?

থম্বাল—হৌজিক য়াম্না লাওনখিবদুবু করিনো?

কুমার—অদুবু নত্ত হৌজিক ফাওবা থত্তগ্রিব্রা?

থম্বাল—তশেংনা থত্তদবনি।

কুমার—উম্—হৌজিক অহলশিংগা লাইরিক তমলিঙৈদা য়াজো
লাক্লুনা ঐখোয় খুড়াগা য়া থর ঙাওনবদগী শাওন-
রক্লুনা খুড়াদা চৈনা ফুরম্লগা চেনখ্রে।

থম্বাল—ও! অহ খুড়াদি কয়া থীনা শোক্লবা?

কুমার—খোইদোক্লা কয়া শোকপদি শোকহৌত্রে। অদুদা
য়াজোনা ঐবু অতাতাই ওইনা কয়া শাউরি, মরু
ওইনা খুড়াদা ফুবা নত্তে। ঐঙোন্দা ফুবদা খুড়াদা
শোকপনি। মানা ঐবু "মাগী কাদা" হায়বা য়াহৈ
অসি করিনো? ঐনা মাঙোন্দা করি অকায়বা চৎখ্রে।

থম্বাল—অকায়বা করিস্থ নৈতে। ওঝাগী পুকচেল, ঐনা থত্তই।

কুমার অদুদি মানা শাউবগী মরমসি অমদি নৈবা ভাই।

থম্বাল—উম্—মানা শাউবগী মরমসি (থঅবা) উম্, ঐ ভাব
অমা লাক্লে। নোংমা মখোয়গী মপানা ঐখোয়গী পাবুংদা

ঐবু নুংহোংবগী' বা 'কয়া -অদিদি। বা পোচু-পাম্বুংনা
মাচুনা লৈখনা মেন তানখিলে। অদুনা মানা ঐবু
পাম্বদগী পাউবা ওইরিগদ্রা ?

কুমার—অদুদা মানা ঐঙোন্দা পাউনিংঙাই মচাক করিন্থ লৈতে।
ঐবু পাউবগী অর্থ করিনো।

থম্বাল—ওঝাসি ওস্থোক্না পঙত্রেদা, তুমদবা মী হৌদোকপা নুই
হায়বসি চুমদ্রেদা।

কুমার - ইহে থম্বাল অশেংবনি, ঐ ভাব তাবা ঙমদ্রে।

থম্বাল—ভাব তাবা ঙমদ্রবদি হায়বা তাৱেদনা, অদুবুরো, উম্ ...
(ঈকাইবা) ওঝাবু ঐনা নুংশি হায়বসি মখোয়না খঙই
অদুনা ওঝাবু ... . ।

কুমার—ঙাইখো থম্বাল! নঙনা পুরিবা 'অর্থ অচুদি লাল্লে।
ঐগী রাখলদি— ।

থম্বাল—নঙগী রাখল করি ?

কুমার—ও ... ঐগী রাখলদদি নহাকপু ঐগী 'পোকমিন্নবা ইচল
অমগুন্না নুংশিজৈ, অদুবু নঙনা............ ।

থম্বাল—ওঝা! (মমিৎতা ইৱা চেনবা) অওইবরা ঐবু নচল
অমগুন্না নুংশিবা ?

কুমার—ইহে থম্বাল নঙসি পঙত্রেদকো। ঐনা কয়ারক হন্না
হায়খিনি। নঙসি ঐগী ইচন্নি।

থম্বাল—ও! (কপ্পা) ওবা মথা তাবীরগনু। ওঝানা হায়বা কয়া
অদু ঐদি ফাগি তৌরিবনি হায়দুনা লৌজরম্মী অদুবু.... ।

কুমার—ইমুংগী ইনেনচা নঙ ঐবুঙ শাওনবু। অদোম হায়রিবা নিংথৌ অনিমক ইনাক খৈরাক থুগাইবা থুনা, অসিনা অসিং চৎলিবা ইমুং অমনি। মাবু থুংশিনবা তৌনবু। মতোম্দা লৈবদা নঙগী করি অমাঙবা লৈবগে ?

খম্বাল—ওকএ…… ওবা মথা ভাবীরগনু। ঐগী রাখল লানরে।
ঐগী খম্বোরগী রাখল খম্বোয়দা কংহুনা থাঙএসনু……
অহুনা ওঝা! রাজোগী রাদি ঐতোম্দা পনবীগনু……
(চেনখিবা মুংঙাইতনা)।

কুমার—খম্বাল ঙাইখোনে, অমুক্তা ঙাইখোবা ও…… চৎখ্রে দো
শাউহুনা— ওহোকপনিদা, মাগী রাখল, মহাকী অসি-
গুম্বা রাখল লৈ হায়বা অসিদি ঐদি খঙদে। করম্না
ঐনা মাবু খেমগনি, ঐস্ন মহাকপু মুংশিদবা নত্তে,—
অহুবু মুংশিবা অহু মপুংকাবা ওমদে, মীগী ময়মদা
শাইদাংহুনা লৈরগা, মীনা ঐবু……করি ? নত্তে নত্তে,
ঐগী রাখল শেরায়বা য়াদে। (চঙখিবা খম্বাল।

—লাইট ওফ—

[illegible]
([illegible])
[illegible]

[খম্বাল 'নুংশাইতবা' য়াথাং 'অথবা' [illegible] ইচোক চোকপুরে, [illegible] ইকা কাপ্পি। লৈকম খঙদে, মরক মরক্তা মুকম মুক্তম শোল্লি]।

খম্বাল—মহাক্কা ঐবু মচন অমগুম্বা লৌখ্‌বা, মানা ঐবু নুংশিত্রবা! ঐনা কয়াগী মতিক নুংশিজবা, অদুবু ও... ওবা, নঙগী খম্বোয় ওম্বোক্না কনখেৎলকো, হৌজিক ঐনা করি তৌগনি। ঐনা মাবু ইবুং অমগুম্বা নুংশিবা ওমগত্রা? নত্তে ঐমা মচু করম্না ওমগনি। ঐগী পুক্নিং মহাক্কনা হিংহনবনি। মহাক্কা ঐবু থাদোকপা নুমিত্তা ঐগী অরোইবা মীকুপ ওইগনি।

অপাবী (মনুংদগী থোরকই) হে—নঙবু চাক চাথোক্কও হায়বম্ মাদে। নপা অনাবা অসিগী মনাক্তা ওহাক্তা নে ভানা কমচুনা সেবাস্নু তৌদে। করিনো নঙনা তৌরিবা অসিবু?

খম্বাল—ইমা, ঐ হকচাং অসি ওমদত্তনা তৌবান।

অপাবী—খর তৌরগা হকচাং ওমদে। নত্তে, হকচাং ওমত্রগা কমুংদা হিংগনা লৈবা য়াত্রো, ওহাক লৈরবা মাঙোলদা, ওহাক লৈর কোমথাদা, উথোংদা, খঙদে করি ওইনা নাপিবা অনাবনো? পুবা থাংবা ওমবা পোৎ নত্ত্রেদা।

নপানেনা তৌরিসিন্না কমুংদগী হোগথরে,। চানীংঙাইনু
লৈব্রে। নত্তনগা অদুম তৌরবদি মুংঙাইগদৌরি ইমুংদি।
ওয়্বোক্লা মুংঙাইগদৌরিপোৎনি (তাঙ-তাঙদুনা থোকখি)।

থম্বাল—মীওইবগী পুন্সিদা অমি মৌনা মুংঙাইবা অমুক কদাইদা
লৈরমখিগদ্রগে? অপোকপদগী মুংঙাইবা শরুক কংদনা
অমুম অমুম শিবা তারবা, ইপানা নোংমা নোংমগী
অমুম অমুম শোনবা হেন্নক্লি। করিগুম্বা পাবনা লৈতবা
থোক্লবদি, ঐগী ইমা অসিনা ঐবু করম্না থমগনি।
ও....... ঐগী পুন্সি অসি ওয়্বোক্লা তোনখ্রেদা। ঐনা
হৌজিক হিংলুবগী করি কামকম লৈরি। ঐদি শিথিবনা
শরুক চান্মা হেন্না কৈ।

কুমার—(লোম্না তারম্বদগী) থম্বাল!

থম্বাল—কনানো (য়েংবা) ও! ওবা (পি তৈথোকপা) করি
থবক্তী কিদা........ (চঙখিবা)।

কুমার—য়ারনি, থারুম্মু।

থম্বাল—(কিদা থাবা) চুম্না মুম লেঙঙকপরা, অদুগা............!

কুমার—ঐ চুম্না মুম খুড়া ঙমদবনু ঐখোয় খুড়া তালোয়।
তম্বা তাবদগী মুংঙাইতদুনা লাকপনি। অদুবু........।

থম্বাল—অদুবু করি........ ....।

কুমার—নত্তনা হৌজিক থনখিবা য়াথংলশিং অদু.... মদু থনবা
হৌনদে, ইবুংগী য়া লৌ, ইবুংনা য়ারবা ইদু। করিগী-
দমক্তা মমল য়ারবা পুন্সি অসি অরেম্বদা মাঙগনি।

থম্বাল—চুমই, অদুবু ওবা মমল য়াম্লবা পুন্সি অসি ঐগী ইকমদদি শাম্লপোৎকুম থম্নি।

কুমার—ইথেম্মা নঙনা থম্নি, ঐ অসিনা নঙবু নুংশিজবোই হায়না, মদুদি অরানবা য়াখম্নি। নঙনা ঐবু নুংশিবদগী ঐনা নঙবু নুংশিবনা শরুক চান্না হেল্লি হায়বসি কাউগনু—।

থম্বাল—মদুদি ওম্লবা মপানথোংগী য়াহৈনি। মদুবু থাজবা য়াবা য়াকমলা?

কুমার—চুমই, নঙবু ঐনা নুংশি হায়বসি হৌজিকমক্তি মদুগী চপচাবা থূদম উবা ফংলোই। মদুদি নঙনা ঐবু নুংশিবা য়াখল অমা ওইনা নুংশিথিবননি।

থম্বাল—মদুবু ঐনা করম্না থাজগনি। থম্লু, মদু ঐগী থম্মোয়না য়াবা ঙমগদ্রা? অম্লক কুইবা অসি, নহাক্কী য়াখলঙনা লাইনীং ওইদুনা লৈজরবা অদুগা করম্বা মঙমদা হয়াও মথোই কাদুনা তাইবং পুন্সি অসি লেনমিন্নগদগে থমজম্লিবী ঐনি। নুংঙাইরবা পুন্সিগী অয়ুক্তা কম্লবা মোংলৈ নুংশিৎনা হুমদোকপা ওইথোক্কবনি।

কুমার—থম্বাল, ঐনা মতম অমদা থনখি। অরাবদা তাম্লবা কালদা নঙনা ঐবু "নবুংগী মথয়ায় কল্লু, ঐগী ইবুংগী মথয়ায় কল্লু" মতম অদুদা ঐনা থনখি, সংসার অসিদা ঐগী কনাম্লু লৈত্রে। অদুবু ঙসিদি ঐগী ইচল অমা ফংজরে। অদুগা অমনা তাইবং পুন্সি মংলানথক অসিদা

মুরাইদকী ৱাহা ফংঙবা মমগী পুক্নিং-থোয়বগী ওইজরুনা ঐগী ইমিৎ অমিনা পেল্লি যেংঙবা অদুনি, ঐনা পাংজরম্মা, মদুবু অসিদি ময়াইকী মুমিৎ অদু খঙদ্রোইনা তাক্লে।

খম্বা—মুমিৎ অদু নঙগী জাৎনি, ঐগীদি খোক্রি।

কুমার—অদুবু খম্বাল। নঙবু লাইরৈ-নৈতে-হায়দুনা সুংশিদবা নত্ত, ইচল শক্লা মুংশিমিবগী পুম্নমক ওয়না চংখিবতনি। নঙবু কংজবদি ইরাইমকতুম যবনি। অদুবু খম্বাল-খন্দুনা য়েংউ, মকম অমিদা ঐনা লাক্লগা ঐগী জীবন অসি হিংনবা, লৈত-লাইর কয়া তাথোক-তাশীন কয়া তোমহনা, ইচিন ইনাওগুম লৈমিন্নবা, অদুগা অমত্তা অথোয়গা ঐসমু য়েক্নবা তারবা……।

খম্বা—নমাহ্নগী মিৎয়েংবু কিরবদি ঐবু মুংশিমগী অর্থদি—খম্বোর বাওবা লুংশিবা নত্তে, অসি নত্রা।

কুমার—নঙনা ঐবু শেরামবা ঋাখন্দা পুরো! ঐ হায়কম খঙলক্লে। অদুবু থাজো খম্বাল ঐগী খয়ায় অসিদগী ইচলগী খয়ায় আমিনা যেল্লা মমল য়াময়, হায়বসি ঐগী লেঙত্রবা য়াশকনি। হৌজিকসু নবুংবু চাং য়েংহল্লু মরুমহুৎা নঙনা খঙগনি।

খম্বা—ওয়া,…… অদুবু……।

কুমার—অরোইবনি ইবুংগী ইরেম্ম, লাইরবা নবুংবু থাজো নবুংবু শেরাজনা লৌগদ্রু।

থম্বাল—(মমুংদা য়াজো, নব লোয়ননা চঙলকই) ইবুংঙোখোই, লেঙশিন্নকউ লেঙশিন্নকউ, (চঙলকই, কুমারবু উবদা) আঃ ইবুংঙো করি থবকীনো ?

কুমার—ইন্দোল ইবেম্মা, খুড়াগী হকচাং ঙমদে হায়বা অদুদা সুম লাকচরম্মী।

অপাবী—আঃ ইবুংঙো নারিবা নখুড়াদো ইমুংদনি, অসিদা নত্তে।

থম্বাল—ইমা………… ।

কুমার—খঙজরে—থোইদোক্লা কম্না নাবা নত্রবদি ঐস্থ হনজরগনি।

অপাবী—এঃ হোয় হোয় ইবুংঙো, য়ারনি য়ারনি লেঙবীখিবা…।

থম্বাল—(মুংঙাইতনা) ইমা, ঙাইখোবা খিৎ……… ।

কুমার—চৎচরগে………(চৎখিবা)।

অপাবী—যনি (মিৎ খা-না য়েংবা)।

থম্বাল—(মুংঙাইতনা য়েংহৌবা)।

অপাবী—(য়াজোখোয় লেপতুনা লৈবা উবদা) হায়মা ইবুংঙোখোয়দি লেপ্তুনা লৈরব্রো ? (থম্বালদা) হায় করি য়েংলি, নঙ তাইবুংঙোখোয়গী ফিদা থাবা য়াব্রা ? হায়মা করিনো নঙনা তৌরিবদুবু ?

য়াজো—এঃ ইন্দোল ইবেম্মা—ফয়েদা।

অপাবী—নঙগী তাইবুংঙো য়াজোখোয় লাকপসি পঙনা লাকপীবপোৎ নত্তেনে।

থম্বাল—(খা-না য়েংলম্লগা চঙখিবা)।

অপাবী—ইহে নঙবু করি তৌরিবগে নঙগী তাইবুংঙোখোয়না

লেপ্লিব্রসে কয়া কুইরে (রাজোখোয়দা) খঙত্রে ইবুংঙো অঙাং ওইরিবসিনা পঙবসিনবু।

রাজো—ইন্দোল ইবেম্মা— চাউরগা ময়াইনা কঙ্গরকনিদা অঙাং ওইরিব্রুনা তৌবনি।

খম্বাল—(ফিজা থায়য়গা চংখিবা)।

অপাবী—ইবুংঙোখোয়না লেংঙকপসিদি করি হা-নি। লাইরবী ইমুংনিনা করিস্থ লৈত্তেদো।

রাজো—এঃ ইন্দোল ইবেম্মা, করি চারুনি। ঙহাক্তং পোথাবা কংজবসিনা হেক্তা পেনজরে।

অপাবী—ইবুংঙো ইন্দোলদি রাবেদা নঙগী খুড়া অসিনা কমুং-দগী হোৌগৎপা লৈখিব্রবা অসিদা ওঙ্খোক্লা রারে। নচল অসিনগা পঙবনে, লৈত-লাইরবগীবু রাসিরা, খঙত্রে ইন্দোলদি তৌকম........।

রাজো—ইন্দোল ইবেম্মা লাইনা তম্বা, হায়বত্রুনিদা। রাহুনা ঙাক লৈবস্থ রাত্রা? নোংমদি শোয়দনা মুংঙাইরকপা য়াইদা।

অপাবী—অদুনি ইবুংঙো মুংঙাইরকপা য়াই হায়দুনা হিংনরি-বনিদনা। অস্থম........ রানা লেনবা তায়বদবু হিংবগী কান্নত্রে হায়বা।

রাজো—মানি ইন্দোলইবেম্মা, অদু, রারিস্থ মুংঙাইরি, এা অমতং হংজনীবনি— অদুবু........।

অপাবী—কয়িনো ইবুংঙো তাকপীয়ু, হজোইগমুনে। নয়ুমমকনি খল্লুনে। ইহে—করিনো নঙনা চিংনরিববু?

রাজো—আঃ অতৈ নৎচদে, ঐথোরগী পাবুংগা ম্না অমা ভাঙনৈ হার্যবন্থবু করম করম তৌবা তারবগে।

অপাবী—হোয়নে ইবুংঙো ইন্দোলদি ইকাউবু কাউরুরে, য়াম্না ফরে, মতাং চানা হৌদোকমকপা অসি, অসুম তৌবা, (ইমুংদা য়েংলগা তাথিনি হায়বগী মতাগুম হায়বা) নওগী থুড়া অসিনা কন্না নাতুনা লৈবা অসিদা মা অসি হেক লোইবা য়াদল্লনা তৌবনি।" অদুবু ইন্দোলনা ফনবা শীনগনি, করিমতা চিংনগনু—।

রাজো—চিংনবগী য়াদি লৈজদে। অদুদা ঐনা পামজবফি থর থুনবা, মতম অসি ইন্দোল ইবেম্মনা অমুক্তং……।

অপাবী—থুনা হায়রবু ইবুংঙো মতমদা য়েংনগদবদা ওায়রবনি। অদুদা মাই-পাবুং অসিনা মশা অসি ফনদবা অসিদা তৌবনি। ইন্দোলনা ফনবা পুন্নমক তৌগনি করিমতা চিংনগনু।

রাজো—অদুগীবুদি ইন্দোল ইবেম্মা লৈম্নিদনা। অদুদা মশানা মওং অমা তৌবা অসিদা।

অপাবী—ইহে ঐনা হায়রিবসিনে; মমা ঐসে মাবু পোক্ত্রবস্থ ঐনা শীনবা থবক্তা মানবু য়াত্রবদি য়ুম অসিদা নোংম-ফাও পুন্জিগী থোঙ্গল ভাবা য়াত্রেদনা; অমনি থওদে, অমনি থওদে, ঐমা ফনবা তৌগনি হায়রিবসিনি ইবুংঙো।

রাজো—ইন্দোল ইবেম্মগী থৌজালনি।

অপাবী—ফরে নচলগা য়ারী ওহাক শাখো।

রাজো—(চিংনবা) ইন্দোল ইবেম্মা হোয়েন.......।

অপাবী—ইন্দোল লৈরি চিংনগনু। (মনুংদা হায় সুপীমচা থম্বাল অমুক্তা খোয়কউ। ইমা রা অমা হায়গে।

থম্বাল—(খোয়কই) করিনো ইমা?

অপাবী—আ—সে—নঙ ভাইবুংঙোখোয়না কনানো অমা খঙদ্রে হায়য়ে। ইমাদি ঐকাইরগুম তৌরে। মখোয়না খঙবা লৈমায়ে থর হংহল্লুসে।

থম্বাল—ইমা পাবুংগী হিদাক অসি........(হিদাক উৎপা)।

অপাবী—(শাউরপ্) হৈ মীনা হায়রগা (মমিৎ খা-না য়েংবা) ঐঙোন্দা হংবা য়াবা নত্তেনে। নঙগী পাবুংগী হিদাক অদু ঐনা পীজরগা লোইরেদনা। মীনা হরাও হরাও হায়রগা অঙাওবীসিদি (চঙখিবা হিদাক মুন্নগা)।

থম্বাল—(মমা কিবদগী লেপ্তুনা লৈ, রাজোখোয়গী রা পাক হেক ঙাঙবা ঙমদে) কনাগী মরমদা হংবীগদবা ওইরবনো?

রাজো—ও: ইবেম্মা আ—শেংনা হেক হায়রবদা অতোপ্পা অমগী মরমদা হংজগদবা নত্তেমা। ইবেম্মগী মরমদা রাহৈ অমা অনিদং হংজনীংদ্রুনা।

থম্বাল—করি রা?

রাজো—ইবেম্মা থম্বাল। নঙগী নফমদা রা হংবসি হঙোইবা অমা পোক্লে। অদুবু হংদবদি য়াদ্রে, অশেংবনি ঐখোয়না ঙসি লাকচরিবা অসি নহাকী মুংশি রাহৈ অমতং ভাজগে হায়দুনা লাকচবনি।

খথাংল—রাজৌবিগনু ঐদি সুংশিবা মশক খঙজরিবীনি।

রাজো—ভৌমুদা, অদুক চাউরবা নৈশাবী নহাক্না সুংশিবা মশক
　　খঙড্রি ?

খম্বাল—চাউবা ওাক্তনা ওইবা য়াদে। ইশাগী লোৌসিং নৈরি,
　　সুংশিবা সুংশিনবা করি অমতা খঙজড্রি।

নব— য়াসি ভাবা য়াদ্রেদা (মকোক থ্রো থ্রো থোৎপা)।

রাজো—হৌজিকপু ইনৌ নৌনা সুংশিবা অমুক তমখিবা
　　ত৷রিবরনে ভায়।

নব— হেয়া, ওইদবা য়ানিদা ভায়। মহাকা অমতুগদি হেক ময়ানা।

রাজো—এস্ চুমই ভায়, ভাব ভাজয়ে লাইর-চুদৎনবা কুমারদুদি
　　সুংশি মশক খঙবিরিনিদা।

খম্বাল -অশেংবনি, মকাক অসি লাইরবা কৎাস্ত নৈত্রবা ,অমম্রা
　　অমা ওইরবস্থ মহাকপু ঐনা ইবুং শক্লা সুংশি।

নব — য়া লোইরে　য়া লোইৎরে— ঐ অমা ওসিদগী ছুটি।

রাজো উম্ ঐখোধনা নহালমখৈ চিংনবম্বা অদু ফল ত্রারে।
　　ইবেম্মা অমুক্তং রাখল ভৌশিয়ুদা হয়েং তুংদা করিগুম্বা
　　লাইগী নোংদমদগী নৈমিম্নবা তারবদি য়া অসি কয়া
　　সুংঙাইনয়োইদ৷।

খম্বাল—মীওইবগী পুন্সি খঙবা তমদবগুম তুংগী ,রাদি তুংদা
　　খঙনসি। ইপানা য়াবা, ইপানা পাবদু ঐগীস্থ অপাম্বনি
　　চঙজয়গে রাজৌবিগম্নু (চঙখিবা)।

রাজো—এঃ য়া ’সিদি।

নব— হেক্স ভার– খোইদৌ লংখৎলেকো, থোক চিংত্নুনা পুনিকো।

রাজো—অঙ্গুদা মমাগদি…… ।

নব— মতুনা হেম্না পেনাম্বুক লাম্রে। মমাগী রাদি সে— (শেল লৌথোক্লগা) তেং-তেং খণ্ডলেদনা।

রাজো—এস্— মানি মতুনা পৃথিবী জয় তৌবা ঙমলিবনি অদুদি (মতমগিদা অপাবী থোরকই)।

অপাবী—ইবুংঙোথোয় লেঙঙমদ্রি ?

রাজো—ইন্দোল ইবেম্মা !

অপাবী—(ভাখিনি মত্তাগুম) অদু নচলগা রা অমা অনি ঙাঙনবদুদি করি করি হায়বা ?

রাজো—ইন্দোল ইবেম্মা লোইরে— হিংলুতুনবু কায়ে।

অপাবী—করে করে, মখা তারগনু—। ইন্দোল ভাব ভারে। মপান্দা লেঙথোক্লসি কৃপ্না থম্নদবা রাম্রে।

রাজো—কনি, (থোকমিয়খিবা)।

(ঙৰাক লৈরগা পম্বাল রাখল তৌত্নুনা থোরকই। মখোয়না চৎখিবা মায়কৈদা রেংলুরগা মথ্বায় সুংঙাই-তনা হায়রকই)।

পম্বাল—ওন্থোকপগী ইমা হায়বদু ওইরে। মচা ঐগী রাখল করিনো হায়বদি রেংবিদে। পৈশা পায়বা মীতবু মী ওইনা থনগ্রে। অসিগুম্বা ইমাগী থৌশিল অসি পাবুংনা করিগুম্বা খঙগ্রবদি পাবুংনা করি ওইগনি। ঐগী পুন্সি

অসি মহাকী মকমদা কৎপ্রবনি। মহাক্লা তাৰগা করি ওইগনি। ও - ভোল্লিদা সুপীগী মপোক। ইমা-ইপা পুং-পাং শুৱা ওইরবদি ঐগী অরাবসে কোকনবনি। য়েংউ, ইপা অনাবসি হুন্দোক্লগা শেল ভানবা চৎপ্রিবা অসি। মসিদগী অমুক হন্দক্লগা ঐবু অমুক নৈরগনি। ঐনা করম্বা থাওগনি। ইমা অপোকপী - নওদি উরিরোই নচানা রারিবা অসি; নচাবু লৌশিনবীরো। নচাগী রাখল নৈকম খওগ্রে (কপ্পা মতমসিগী সু.শিরবা ঈশৈ অমনা মাবু থেমজিল্লি।

ঈশৈ

কদোমদনো চেক্লা পাইখিসুবা,
আশাগী মপান ভাংজবী নংবু,
সুংঙাইপ্রবা তাইবং মালংসি ?
নপীজা কায়ন রারবী,
রারো লাংগুম থুরবী।
কদোমদনো চেক্লা পাইখিসুবা।

সুংঙাই ঈপাক লান্দুনা,
সুংশি রারী শাদুনা,
অরা সুংঙাই করা,
রাখল পুম্বা কোংদোক,
চেক পাওমেরখিসি
কদোমদনো চেক্লা পাইখিসুবা।

(হীরা হীরা কপই, তাল্লক অসিদা অপাবী শাউনা চঙলকই) ।

অপাবী—হা— কয়ি তৌরি ? হা থিঙং তৌরে হেক্তা কপশিন্নবা মাসি, নত্তে, নঙ তাইবুংতোথোয়দা কয়ি কয়ি হায়রুই ।

থম্বাল—ইমা ! ঐনা করি হায়গনি । ইপানা হায়বা ইনগনি হায়বতনি ।

অপাবী—ইস্ ইপানা হায়বা ইনগনি ? নত্তে নমা ঐদি অপোকপী নত্তে হায়দুনা ঐনা হায়বা ইম্নরোইদবা, হা তনুনা খুমউনে ।

থম্বাল—ইমা ! নচানা হায়বা করি লামধ্রগে, ইমুং অসিদা পাবুংনা অহলনি, অহলনা ইন্দনা কনানা হায়বা ইনগনি ।

অপাবী—ইমাই-মাই— য়েংউসে, কয়াদা হৈখ্রবীনো ? নত্তে, নপানা হায়রবস্থ ঐনা হায়বদা ইনগত্রা ইন্নোইদ্রা মতুত্তা খুমউ ।

থম্বাল—ইমা ! ইমানা হায়বদা ইন্দুনা লাকচরি, ওসি নচানা ইমানা হায়বদা করি ইন্দবা য়াওগ্রবগে ?

অপাবী—হাঃ আঃ মুংশিদা ইচাশদি অতুনিদমা মমা ঐবু কয়াদা নীংখ্রবীনো ? ইমাননে ইচাগী পুকচেল য়েংগে হায়দুনা শাউদুনা য়েংবনি । করিগী ইচাবু শাউগদগে ।

থম্বাল—ওসি ইমানা ঐবু মুংশিবীরিবা অম্নুম্না হয়েং তুং কাওবা লুনা তৌবিয়ুকো ইমা। (কপনীংবা পোকপা)।

অপাবী—হায়মা অঙাওবীসিদি, ইমানা নঙবু ওকসনু শিংসনু হায়দুনা তৌবলিনে। করে ইমা রা খর হংগে।

থম্বাল— কৰিনো ইমা—?

অপাবী— য়েংঙো ওসি ইমানা হায়গদৌরিবা য়াসি য়াম্না লুবা য়ানিকো, অদুগা ইমানা নঙগী ফজন্নবসু হায়বা হৌনদে। ফয়ে, ইমানা মীনা ঙাওনবা সুম ভাবদা নঙপা কুমারগা মরী লৈনৈ, হায়না তায়। খর খর ঙাওনবা হৌরকপা অসিদা য়ারবদি থাদোকউ। মীনা ঙাংনবা হায়বা অসি য়াম্না লুবনিকো। নঙসু খন্দুনা য়েংউ। হৌজিক হৌজিকমক নমিৎনা উরিবা অদুনি। মমা মপা লৈত্রেদো—মাগী করি লৈ, চানীংঙাই থক্নীংঙাই করি লৈ। কৈথেল শলগুম লৈরবা মী অংদা নঙনা করম্না লৈগনি। ইমানা হায়বসিদি শাউগনু। নঙগী ফনবা হায়বনি। ইমাখোয়দি নঙনা সুঙাইনা, হয়াওনা লৈবা উরগা ইমাসু সুঙাইগদৌরিবনিদো, নঙনা য়ারগা ইমাখোয়না সুঙাইগদ্রা?

থম্বাল—চুমই— ইমা, ইমানা ঐবু ফজনবা হায়বা হৌনত্রা?

অপাবী— অদুনি ইমানা হায়বদি—নঙনা লৈবদসু সুঙাইজগদবা হেক চৎখিবদা থবক মনা অমতা শূদনা লৈরুগদবা, মীনাই মীশম থৌগল তৌরগদবা মকমদা থাজনীংইদো। নঙগী য়াদি খলদে, ইমানা অদুনা সুম খনবদা ইচানা লৈবদসু সুঙাইজগদবা য়াজো হায়রিবা নিপা অদুদা থাজনীংই। মহাক অসি মশকসু ফজে মরলনে, মথুমনে অরাৎপা অমত্তা লৈতেদো। মরাইবক্তি ফরিপোৎনিদা ইচাদি.

থম্বাল— ইমা অতৈদি খঙদে, মাগী য়াজো হায়রিবা নিপা অদুদি ওন্থোক্না পামজখিদ্রে।

অপাবী হায়—তপ্না তাঙতুনে। অদুম হায়বা হৌনরো, মত্তে, নঙনা খিবকবু অমুক কবা নিপাবু কংগদ্রো। মসিদি মীনা মাগীদমক কনবা শীন্নগা, নরাংবা শাবিএ। নঙ ওসি মতেঃইনরা ? তপতাবমথৈ ফুদোকনিসে।

থম্বাল—ইমা অমুক মুঙাইতনা লৈগদবগী শরুক্তা ইমানা ফুংহনা শিখিবনা করে।

অপাবী—ইমাই, মাই, ওম্মোক্না কিজরেদা সত্য -। ঐগী চিন-থক্তবু, কয়াদা ওমথরবনোসে। করে করে নঙগী পিতং পাতংপা মকম মরাও থওদবা নিপা অদুদা হেক লৈরো।

থম্বাল—ইমাগী থৌজান্নি।

অপাবী - হৈ--নঙ লমহেনগনু, মীনা হায়রিবসি করি লৈগে, থন্দবা, নঙবু ঐনা রাক্লরো শিরুরো হায়বদি নত্তেদনা, রাজত্রগা রানা নপুন্সি লেনজবা অদুমঙাই। চৎলো চঙখ্রো, চৎলু। নশক অতু য়েংনীংদে। (থম্বাল চঙখি)। কয়াদনোনেসে, মীনা হায়নবতু চপ হেক চ'না থোক্কদোরি। ঐনা শীন্নিবা অসি তোকপা তারবদি কদায়দগী শেন্না, ইস , কৈ তৌগে অপাবী ঐবু মশক থওদবা শাই। কন্দক্তি নৈগে, হেক য়াত্রি কাওবা নৈগে। উশিত্তবা শারদনা থওগনি।

(তাঙতুনা চঙখি)

– লাইট ওফ –

ইন্টরভেল

অনীশুবা শরুক

(১বা উৎপা)

এম্মী

মতম—সুংখিল।

ইবাইহল, চাওপা শোরাৎ চৎলুবদগী হল্লকই। লম্বীদা বারী শারকই। মখুত্তা কা তাঙনচিংবা পাবরকই।

চাওপা—ইবাইহল ওসিগী, শোরাৎসিদি মওং অমনিকো।

ইবাইহল—খঙত্রেদা, চাওপাখোয়, মতম অসি মওং অমা তৌরে। করিনো, লৈত-লাইর, ইনাক খুনবা, অরা-অনা চপ মান্নত্রে। ইমুংদা লৈবা লৈতবগী ভাব করি অমত্তা য়েংনত্রে। ইজত্তা করিনো মী শি-নবা তারে।

চাওপা—ছাইখো ইবাইহল মখোয়বু থোইনা ঈনাক খুনবা মীসু নত্তে, ফিরোলনা ফিরোল থারীবা। চা-থকপনা কয়াদা কজ্জনা তৌরিবা।

ইবাইহল—হেঁয়া মখোয়র্সিমা খিৎ-পঙমনখ্রেমা লাইমা ভাব তাঁমন্দে। কনানা ওঁইনি রাজ্জৌ মপা মচামী তৌরিবা ওাক্কনিনেঁ।

চাওপা—ও। হোয়নে মখোয়মকী থবক্কৌনা মথরাই যাম্না য়াওনা তৌইনে। খঙত্রেদা মখোয়না কন্না হোৎনজরগা অরেম্বদা তারগত্রা?

ইবাইহল—থেরা চাওপা নঙসি ওয়োকপুন্দি, মপা নঙ্গু লৈরিঙৈন্দবু মমা অঙ্গনা ভুশি তৌথা ঙাঙবগী তৌজিনবনি তৌজিনি মপান্থু শিরে। মমাগী থবুক্তা লোইশা তারবনিনে।

চাওপা—সুপীমচা থবালবু য়েংবদবু ওয়োক্না সুভাইশিন্নেনে। মানা কল্লা তারগা পূক্লিং অসি ওয়োক্না সুংশিন্নে।

ইবাইহল—মমা অসিগী খুজিল থৌরাংনা মচাগুপী অসি শোয়দনা পীরগনি, হায়দুনা অসুক য়াম্বা অসি পাম্মুব খঙদনা কৎলিবনিদো। থবালসু মপাগী সোরাৎ অসি কায়হনবীংদবদগী য়াড়ুনা লৈরিবনি।

চাওপা—চুমই, ইবাইহল, অদুদা ঐদি মসিদা য়ানীংদবা অমা লৈরিএ।

ইবাইহল—আঃ করি য়ানীংত্রিবা—?

চাওপা—লাইদা কৎলিবনি হায়দুনা মপোৎ মচৈ বঙ্কোপ থমদুনা তৌনরিবা, ধর্ম্ম অসিবু করি কাররিবনো। শিরিবা মীশিং অদুনা কংলমগত্রনে। থাজদেবো।

ইবাইহল—করিনো, অতো নঙসি ভাব অমা ভৌরেনা—। লাইদা কৎপগু অয়েম্বদা মাঙবা থৌনত্রো? চাম্মা কংলে চনিগী থবক, অমা কংলে অনিগী থবক হেন্না হেন্না লাকইবনি। অমাঙবা লৈবা হৌনদেনে। ইবুংঙো মাদি সংসার অসিদা লোইনা উরিবনি, ভারীবনি।

চাওপা—মদুদনিসে ঐনা য়ানীংত্রিবা। রাবরা লাইরবা মী কয়ানা কৌবদা অমত্তা লাক্তেসে। কনাগী মপা, কনাগী মচা করি কারখে।

ইবাইহল—[illegible]
[illegible]
[illegible] উবরবু [illegible] করে, [illegible]
য়াখিগত্রা ? য়েংউ নহাক্তু তোপেলশী মচা [illegible] অদু
ঙাওনা কৈনা নাবদগী ঐখোয়গী অজ্ঞানা লাইদা কীক থিক্তং
কৎপিবদগী হৌজিক কয়া করে। মী ওইমা চৎলেদো।

চাওপা কীয় কৎলবস্থু কৎত্রবস্থু কগদবা অনাবথি শোয়দনা
ফগনি।

ইবাইহল—ইহে লাইদা কৎপনা নক্রবদি মাইবা ডাক্তর কয়
কাময়ি, খঙএ, নঙসি মীনা হায়নবত্র চুম্বা তারে। ধর্ম্ম
অতোপ্পা অমবু কয়া থাজয়ি হায়বসিমা চুম্বা তারে।

চাওপা—অতোপ্পা ধর্ম্ম নত্তেনে। ইশাগী ধর্ম্ম চৎকদবা লম্বীনিনে।
ইবাইহলনা ভাব তাত্রগননি। মমাওইদগী কাওর-কাওরবা
পণ্ডিত কয়ানা ধর্ম্ম অসি মাওদনবা কয়া হোৎনরমীবনি।
ইবাইহলসু, তাবীয়িনিদা।

ইবাইহল—ইহে করিগী তাদনি। নঙসি ভাব তাদ্রেদনা মতম
মতম অদুগী চৎনবী থিক্তেৎ-চাকচা, য়াঙাঙ শাঙাঙ হোংবা
য়াবা নত্তেনে, মতু ওইরম্বা য়াই. ওইরমদবা য়াই। নঙ
ঐনা য়েৎনগদবা নত্তেনে।

চাওপা—অদুদা য়েংউ কাওরবা পণ্ডিতশিংনা মৈ হৌবমথৈ, মগুণ
লৈরম্বা অদুবু, হৌজিকী মতমদা কনা ওম্বা থেংনরবগে?

ইবাইহল—হোয়নে মৈ হৌরম্বা য়াইনে মতু লৈরমদে হাযবা কনাসু

য়াওদেনে। ঐখোয়গী লৈবাক অসিদা ধর্ম্ম কয়া চংলবা
য়াই, মতমগী চৎনবী মতুংইন্না ধর্ম্ম কয়াম্ব থোংলবা য়াই।
অতবু ঐখোয়না ওসি কাওবদা অহল-লময়া চৎনরবা ধর্ম্ম
ঙসিবু কায়দে হেক হায়বা চুমদেনে।

চাওপা—ঐখোয়না কায়দে কদায়দা হায়গ্রে।

ইবাইহল—এঃ করিগী হায়দনি খুত্তিগী হায়রিবনি। বামোন্দি
আদগী লাকপনি। হা অদুগী থারনি হা অদুনি, নত্তে
হায়ববু হায়ত্রে ?

চাওপা—অচুম্বা হায়ববু করিগী শাউরুরি।

ইবাইহল কনানা শাউরিবা ? ঐনা হায়ববি ধর্ম্ম শন্দোকপদা
মাদু অদুনি, ঐদি অদুনি হায়বা ধর্ম্ম শন্দোকপা হৌনত্রো ?
মানা মানা পাম্বা ধর্ম্ম অদু মহাক অদুগী অকবা ধর্ম্মনি।
নগনা বামোনগী নীত্তি পামদে। ঐনা পামই। কনা অমগী
মচানা য়ু থকই। কনা অমগী মচানা য়ু থক্কে। মদু মানা
মানা পাম্বা মতু ইন্না তৌরিবা নত্রো ? কনানা হাওদা
কনানা মুসলিমদা, কনানাময়াংদা, মদু নঙ ঐনা শীনবা
য়াত্রো ঐনা হায়রিবসি ভাব মুন্না তাউনে।

(কুমার চঙলকপা)

কুমার—অহল অনীনা ওসি য়াম্না কন্না ভাওনবীরিববু করি
তৌনরবগে ?

ইবাইহল—ইবুংঙো কুমার খুড়াখোয় ধর্ম্মগী মরমদা য়েৎনয়ম্মী।

কুমার—ওঃ ধর্ম্মগী মরমদা ?

চাওপা—উর্দ, ইবুংঙো ধর্ম্মগী মরমদনি। ইবাইহলগা, ঐগা চৎলিবা ধর্ম্ম অসি পামই, পামদেগী মরমদা য়েৎনরবইবা।

কুমার - ওঃ ওঃ ভাব তাজরে, ভাব তাজরে। হায়বদি অমনা গৌড়িয়াগী অমনা মৈতৈগী,........।

ইবাইহল—মানি মানি ইবুংঙো বা অসি আঃ য়োনরপোৎলি। ইবুংঙো কনানা চুমইবা কনানা লাল্লিবা তাকপীয়ু, তাকপীয়ু।

কুমার—এঃ এঃ বা অদু ওয়রে। কনানা চুমই নত্রগা চুমদে করম্বা হায়বা ওমগদৌরিবা। ধর্ম্মগী মরমবু কনানা বিচার তৌবিগনি।

ইবাইহল—চুমই ইবুংঙো, অদু ওইরবস্থ ইবুংঙোনা অখঙবা খরদা ওইরবস্থ তাকপীযুদনা।

কুমার—হোয় অদুম্বা তাকপীরবদি, ঐনা খরদং অনীমকী ওইনা খঙবা খরদং হায়জগে। খুড়া অনীনা খম্নবীরিবা রাকম অদু অনীমক ইচুম চুমই। অদুগা অমনা অনীমক ইরাল লাল্লি। লাল্লি হায়বদি রাকম অসি হায়বা ঐগী ইভিক নত্তে, অদুবু খুড়াখোয় ওইবদগী হায়জবনি। মরমদি খুড়া-খোয়দি খুল অসিদা লৈরিবা লৈবাক অসিদা পোকপনি। অমগা অমগা নুংশিনগদবনি। মানা অদুনি, ঐনা অদানি হায়না য়েৎনবীবা অমদি খৎনবীবা চুমদে, অসিতনি। শম্না হায়রবদা মানা মানা পাম্বা ধর্ম্ম অদু খ্বাইদগী অফবা ধর্ম্মনি, করিনা, জাতি খেৎনবগী রাতনি, ঈশ্বরদি অমত্তুনি। ঈশ্বর অত্তবু কনানা কৃষ্ণ, কনানা আল্লা, কনানা গোড, যীযু কৌনবত্তনি।

খুদম ওইনা হায়রবদা চৌংমী, অম্পাকী কবুই, ইচিল ইনাওশিংনা হৌজিক খৃষ্টান ধর্ম্ম অয়াবা চৎলকইবা অসিনি। কনা অমনা কবুইদা, কনা অমনা মুসলিমদা অদুনদি ঐখোয়না কনাগী ধর্ম্মবু কৈ নক্ত্রগা ফত্তে হায়গদৌরিবনো? অদুগা ঈশ্বরদি অমত্তনি। মসিদা খুড়া অনীমক্ন য়ানীংদবা করি লৈরিবগে?

ইবাইহল–চুমই ইবুংঙো, খুড়া মদুগক য়ানীংই।

চাওপা—মানি ইবুংঙো, ঐখোয়না ধর্ম্মগী মরমদা য়েৎনদুনা লৈবা অসি অয়ানবনি হায়না খনজরে।

কুমার—অচুম্বনি খুড়া, ধর্ম্ম শন্দোকপদা অমনা অমবু তাথি তাওইনা, কৈ নক্ত্রগা ফত্তে, কৈদৌঙেদম্ব হায়রোইদবনি। য়েংবীয়ু ঙসি খৃষ্টান ধর্ম্ম চৎপা ইচিন ইনাওশিং ঐখোয়না লৈরিবা লৈবাক অসিদা কয়া য়াম্না লৈরে। মখোয়না ধর্ম্ম শন্দোকপা মওমদা মীবু পেলহনদুনা মখোয়গী ধর্ম্মদা মায় ওনশিন্নবা হোৎনবা নত্তনা ধর্ম্ম অতৈবু কৈ ফত্তে হায়না তৌবা থেংনদে। ঐখোয়দি ঐখোয় ইশেল খৎনরিঙৈদা মওম অসি হৌখ্রে। মীনা ইথক্তা থবক লোইনা তৌখরে।

চাওপা—চুমই ইবুংঙো, মসিদা ঐখোয়না য়েৎনবা অসি চুমদ্রে। অদুগী শরুক্তা ঐনা পাম্বা ধর্ম্ম অদু চৎচরগা মুপী অঙাং থাকপা ওম্নবা, লৈবাকী অফবা রাখল পুখোক্লবা হোৎনবনা কৈদা।

কুমার- মাম্নি খুড়া, মতম অসি মওং অমা হোংলবনি, মী য়াম-খৎলকপগী য়াবস্থু অদুগা চান-থরুবগী তাঙবস্থু অম্ভুম হেন-গৎলক্কই। অদুনা ঐখোয় মশেল য়েংথীনবগী মহুত্তা পুম্না থবক শূনবা হোৎনবা, লিংজেন মান্নবা, অসিনি।

চাওপা—চুমই ইবুংঙো, পুম্না থবক শূবা ওস্থোক্লা কান্নব্রে। কান্নবা হায়বস্থু হৌজিক উৱিবা অসিনি. নত্তে ঐখোয়গী লম্বী অসিবু অস্থুন্না চৎপা য়ারমব্রো ? ইবুংঙোনা হেক হৌদোক-পদগী কয়া মুংঙাইরবা। মসিদা ঐখোয় মশেল হাঃ অদু ভৌবা হাঃ অদা ভৌবা হায়দুনা লৈরম্লবদবু কয়াদা মাঙগদবনো ?

কুমার—চুমই খুড়া অশেংবনি। খুড়ানা হৌদোক্লকপা অসিদা নীংশিংলকপা অমা লৈরে, ঙসাইমথে কাঁউদুনা লৈরম্লবনি. (ফুরিৎ খাওদগী থবর লৌথোক্লগা) খবর অসি ঐনা নিপা অমদগী লৈজহোবনি, মসিদা ঐখোয়না গোভর্ণমেন্টদা চে অমা থাবদ্র ঐখোয়গীস্থু লুপা লিশিং ২ (অনি) দি ফংবা য়ারগনি হায়না ফাওরে।

চাওপা—(হৱাওনা) কদায়দা ইবুংঙো, খুড়া অমুক্তা য়েংগেনে।

কুমার— য়েংবীয়ু খুড়া (পীবা) অদুগা ঐখোয়গী খুলনা সীনি (তাকপা)।

চাওপা - (লৌরগা পাবা) সরকার ইবুংঙো ফৈদা.... । কদাইদনো ?

কুমার—সিদা য়াওৱিবসীনি (তাকপা)।

চাওপা—উম (বনান তৌদুনা পাবা) নোটিশ (মণিপুর গভর্ণ....
মে..ণ্ট....) অসিনা মরম ওইদুনা প্রজা পুম্নমক্তা থগুহল্লি।
মদুদি মথাদা ইজরিবা খুলশিং অসিদা মতেঙ ওইনা লুপা
লিশিং অনি, অনি, (Two thousand Rupees) পীরগনি
মুঙাইরেদা সত্য ঙাইথো ইবুংঙো মসিদা ময়েক থর কাতু
কারন তৌদুনা য়াওরিবা অসি করিনো ?

কুমার—মদু খুড়া ইংরাজী ময়েক হায়বদুনি।

চাওপা—হোয়নে পুমতোং হেক তোংশিন্নরে, সুম মতৈরোম্না ইরগা
লোইরে। য়া ঙাওবদসু মখোয়গী ইংরাজী থর ঙাওবগুম
হেক মতৌবা। হৈ হায়বা লোইনা থগুলবনি। অদুবু....।

ইবাইহল—কদায়নোনে ইবো, ঐ অমুক য়েংগেনে।

চাওপা—এ নওবু পাবা থোকত্রনে।

ইবাইহল—মুংঙাইরেদা নওনদি পাবা ঙম্নগা ঐনদি করিগী ঙম-
লোইদোরিবা, হা ! নও ঐ ক্লাসসু অমত্তনিনা থা অমা অনি-
দনি ঐনা লাকখিদবা।

চাওপা—পাউ—পাউ—সে—সে (পীবা)।

ইবাইহল—(লৌরগা পাবা) (মাসু ঙসাই পাখিবগুম পাবা)
ইবুংঙোনা হায়গুমদনা মসিগী ময়েক থর য়াওরিবা অসিদি
মুংঙাইখিদ্রেদা।

কুমার—চুমই খুড়া, খুড়াখোয়না পাবা য়ায়গনি মসি ইংরাজীদা
(Two Thousand Rupees) হায়বদি লুপা লিশিং
অনি হায়বনি।

চাওপা – কয়াদ। লাইখরবনো, খঙদবনা লুবজাৎ ওইরে।

ইবাইহল—মখোয়গী ইংরাজী ময়েকসিদি জাৎ অমনি মসি তম-
লবদি হৈনিদা—।

কুমার - তম্নবদবু হৈরোইদবা মহৈ লৈবা হৌনদে। খুড়া লোইনা
হৈকা য়াই।

চাওপা—থরাই অসি ওস্থোক্লা মুংঙাইখিদ্রেদা, ইবুংঙো অংল
থিত্তং ওইমনখিদ্রনা ভৌবনিকো, ইবুংঙোনা লাইরিক হৈতবা
ঐখোয়বু ঙহাক ঙহাক তম্বীবা অদুনা হৌজিক্তি সহি তৌবন্থু
ঙমলে, খবর পাবন্থু ঙমলে। কয়াদা কান্নপ্রবা। থর থঙবা
অসিদা অমুকন্থু হেন্না মখোয়গী ইংরাজী অসি অমুক থঙনীং-
লক্লবনিসে মতম হৌখিদা সত্য—।

ইবাইহল—অভো নহা ওইরিঙৈদা থর ঙাওমনখিনে। লাইরিক
তমগদবা মতমদা মীনা কল্লি হায়নবা হায়দুনা সোরোক্তা
খোক্তুনা মী থৎনবা হৌরিবনিদো পাম্মুইদা মতমদু, নত্তে,
মী অমা ফুনদ্রিবা ফাওবা চাকা চারমগোৎ নত্তেনে হা।

কুমার—মতম অদু খনবীরুরগম্থু খুড়া, হৌজিক খুড়া নখোয়না থর
থঙবীরিবা অদু ওস্থোক্লা মমল য়ামগ্রে। লুপা লাক্ষ লাক্ষ
কয়ানা লৈবা য়াবা নত্তে।

ইবাইহল—চুমই, ইবুংঙো মসিদি ধোনবস্থ য়াদবা লৈবন্থ খঙদবা
মহৈনি। য়েংউনে চাওপা ঐগী ইচা নিপা অভোনবা অদু
লাইরিক হৈহন্নীংগ্রদুনা ঐনা তাকপসি তাকপ্রগোৎনি।
মান্থ কাদবসি কাদে। লাইনা কন্না ফাদে, ঐনা থল্লি,

ঐনা খর খণ্ডলিবা অসি ইচা সুংশিথ্রবা অসিদা পীবা য়াম্নমলবদ্রিকো।

চাওপা—ছোয়নে মহৈ অসি কয়াদা মমল য়ামথ্রবনো। সুংশি হায়ম্নুনম্ম ইচা কাওবদা পীথোকপা য়াম্নবসিবু ঐখোয়না ওসি অরেম্বদা মাণ্ডহল্লিবা পান্মুইদা সত্য, মতম পান্মুইদা।

কুমার—খমবীরুরগম্মু হৌজিক্তি ভুংদ' হৌরল্লিবা ইচা ইশূদা কনবা কম্না হোৎনবনা করে। খুড়াথোয়না হৌজিক নীংণ্ডমদ্রিবা অদুম্না হয়েং মথোয়না চাউরক্লগা নীংণ্ডমদবা পোক্কনবা হোৎনবা হায়বদুনি।

ইবাইহল—মুংঙাইরে ইবুংঙো—সরকারনম্মু মতেঙ পাঙবিরগনি, হায়রেদো—। কয়াদা লাইবক ফথ্রবনো। ঐখোয়না ওসি সরকারবু ঙাইদুনা লৈরমলবদি প্রজাশিং অসি কয়াদা রাগ-দবনো। করে অদুদি ময়ামদা পাউ অসি তমলুনবা য়ৌরসিদো—।

কুমার—কনি খুড়া লেঙঙসি—। (চৎমিম্নথিবা)।

—লাইট ওফ—



অনীশুবা শরুক
(অনীশুবা উৎপা)
থম্বালগী য়ুম

থম্বাল অরাবা রাথল তৌদুনা লৈ। মপা শিখিবগী রাবনে, মমা পোক্তবীনা অমদা শাজনবগা নৈবনে,—অঙাওবীচু ভায়ম্বে। থম্বাল—করিনো ঐনা হৌজিক তৌগদবসি। ইপা লৈরিঙৈদদি ঐগীদমক্তা অরাবা শরুক কম্না পুবিদ্রুনা ইমাগী চক্রিদগী থাঙবা ঙম্লমই। হৌজিক্তি ইপান্থ লৈত্রবনিনা ঐবু ইমানা করি করম য়োকপা। ও! ……. ইমা অপোকপী নঙদি উরিরোইদো, নচানা রারিবসি—। ইমা নচাবু লৌশিন-বীরোগবা, পস্থৌবুদি নঙনা লোশিনবীরি। ঐবুনা করি ঈরাল লৈদুনা অস্থক রানা থিংহনবীরি। ও!……. তোল্লিদা মুপাগী মপোক—।

ঈশৈ

ইমা, ইমা-ও,
পলেম অপোকপী
নচানা রারগা রাবীবা,
নচানা কপ্লগা কপ্লিবা,
নচানা নোক্লগা, হরাওজবী
নঙবু কদায়দা লৈবগে।
পোকপীরে নচাবু তাইবঙদা,
উহনবীরে অফ-মুংঙাই
অরা অনা কয়াস্থ—
করিগী থাদোক্তুনা চৎলি,
নচা লাইবক থীবীবু—।
(ঈশৈ লোইবদা হক্লী-হীরু কপই)।

থম্বাল · ইমা ইমা—নচাবু কয়া কুইনা হিংখো হায়রিবলো ? নচাগী লৈকম খঙলক্লেনে। নচাবুসু লৌশিনবীরো—।

অপাবী—(খোরকই) ইবেম্মা—ইমাগী ইবেম্মা করিগী কম্রিবা ? শিখ্রবা নপাগীদমক্তা খোইনা রারুগনু। ঐখোয়সু নোংমদি শোয়দনা শিগদবা ওাক্তনি। অদুক অকোন অহানদনি। ইচাসিদি করিগী রারি, হৌজিক্তি ইমা ইচা ভায়দ্রুনা অক-কত্তবা পুম্নমক খন্নরগা য়ুম অসি অমুক্তং পানবা ওয়বা হোৎনরসি।

থম্বাল—ইমা ওসিসু, ইমানা নচা ঐবু কয়াদা মুংশিনা হায়বিরিবা ইমা মতম খুদিংমক্তা নচাবু মুংশিবিয়ুকো।

অপাবী—হায়মা নওবু ঐনা কহমীংবদগী ভৌথনিনে। করিগী ইচাবু মীরাইরুগদগে। ইচাগীদমক্তা খন্দুনা ভৌবনি। হেঃ হেঃ অদু নত্রবদবু নমা ঐবু মীনা লাকচনা লৈবা য়াত্রো, করে করে চঙল্লো, চঙলো ইমুংগী থবক ইনখাং লোইশিন্নবা ভৌরুরো।

থম্বাল—ইমা……(মুংঙাইতবা মওংদা লৈবা)।

অপাবী—নশা অদু ওমত্রগা হিপ্তুনা হেক, পোখাদ্রুনা লৈয়ু। ইমানা নোয়গা লোইরে। ইচাসিদি—।

থম্বাল—ইমা ঐ করিসু ভৌজদে করিগী ইমানা নোমগদগে, ঐনা ভৌজগনি ।

অপাবী—মুংশিদা। কয়াদা মুংশিগ্রবা ইচাগী য়ারানো ? ঐদি ইচা হক্চাং ওমত্রত্রা থল্লুরে। করে করে।

খম্বাল—ইমা ঐ ঙসি রা অমত্তা হংজগেবা।

অপাবী—হায়বা হংউনে, নমাদ্রবু করিগী চিংনুরি।

খম্বাল—ইমা ঐনা হংলুরবস্থ ইমানা হেক্তা তুমিন্না লৈ। কোন্না খঙলকনিদমক হায়।.ঙসিদি অশেংবা তাকপীরো।। পাবুঙগী খোরাত্তা চঙখিবা, অদুগা মীঙোন্দগীনা. কন্না লৌক্রবা।

অপাবী · হাঃ হাঃ হাঃ সুংশিদা য়েংঙ্ উ ঐনা ইচা নৌমল্লি হায়-হুনা অরাব শরূক পুহন্নীংদহুনা তমদবনি। অদুবু করি তৌই হায়বগে। সে তারো, ইচাস্থ ভাবতি খরদি. তারি-নিদ্র।, হন্দক রাস্তো মপা মচানা তৌবা অসি য়েংউ, কন্নাদা কচ্ছনা তৌগ্রে লুপ্রাবী মচা তাদনবা। মীনস্থ হেক হায়নবা মখৈ তৌরিবনিদো। খুল অসিগী মসুংদা কনানা ঐখোয়বু লুপা অমা-পাংবিনবা মী লৈরো ? মখোয়না হন্দক তৌখিবা অসিদি কনানস্থ য়ারোই। মখোয়গী লমন তোল্লবনি।

খম্বাল—শেলনা কন্না শুরবা—।

অপাবী—ইয়াম য়ামপোৎ নত্তেদা, নপা নারিঙৈদগী হিদাকী মাই-বগী সুম খর খর লৌবদা লুপা লিশিং অহুমদগী খরদি হেল্লমগত্রা হায়না খল্লি।

খম্বাল—লুপা লিশিং অহুম……।

অপাবী—উম, লুপা লিশিং অহুমনি। করিস্থ লৈতবা ঐখোয়দবু অসুক য়াম্বা শেল অসিবু কনানা পীবিগনি মখোয়সি লাইগুন্নবা মীনি হায়বদা লাল্লরোই।

খম্বাল—মানি ইমা অহুবু শেল ময়াম অদিদি করম ভৌবা—।

অপাবী—(য়াশমদুনা) ইমাস্থ খঙত্রে করি হায়গদখনো ? মীগী মমাঙদা ইমা ইচাবু ঈকাইবা নংলগত্রা ? মসিদা… ।

থম্বাল—ইমা, ইমামা উপায় অমা য়েংবীয়ু। মচাবু কনাগী মীনাই ওইয়ুগে, মচানা হরাওনা য়াগনি ।

অপাবী - করিগী ইচানা মীনাই ওইগদগে । ইমা লৈরি । ইমানা পূম্নমক কনবা শীনগনি । মসিদা অরুবা অমনা…· ?

থম্বাল—করিনো ইম'…· ?

অপাবী ইমানা স্থম খনবদা মখোয়মস্থ য়াম্না পামজবা হৌজিক কাওবদা হায়বা ঙমদদুনা লৈরবা চাউনা লুহোংজগে হায়না ত্তৌজরিবা।

থম্বাল—কনানিনা, ইমা—?

অপাবী - ইহে—কনা ওইগদগেনে হৈ, নঙগী তাদা য়াজো মপা মচানিদনা। ঐদি স্থম খল্লুবদা, মদুনবু খয় অরাবসি কোকত্রা খল্লি।

থম্বাল—ইমা, মাগী য়াজো হায়বদু পামজখিত্রেদা। মদু নঙবা অমা হায়বীয়ুবা, মদু নচাদা ওম্থোক্লা পামজখিত্রেদা!

অপাবী—অপঙবীসিদি। ঐনা নঙবু হেক পীগে পীরোই ঙমত্রো, ইচানা পাম্বদু তৌগগদবনি। ঐনা খনবদি য়াজো মপা মচাগী শেল অসিনি। নঙ লৈবদগী মখোয়না তুমিন্না লৈরিবনিদো। মখোয়না হৌজিক লৈবা য়াদে হায়দুনা হেক তাম্থোকপা কাওবা ঙমলিবনি। ঐদি লায়রি, নঙগীদমক থমবনি।

থম্বাল—ইমা ঐনা করম্না মখোয়দা লৈবা, নত্তে নত্তে, ইমা, মঙ্গী শরুক্তা অঙাওবীশুম কে য়না চণ্ডুনা লৈবনা মৈ।

অপাবী—ইমান্থু ইচাগীদমক থনবনে অদুবু থবক্তা য়াদনুনা তৌখনি। করে ইচানবু পামত্রবদি করি তৌই। ইমান্থু ইচাগা লোয়ননা ভিক্ষা নিনুনা চায়গা লোইরে। (কপশিন্নবা)

থম্বাল—(ওক্লা) ইম:····ইমা····।

অপাবী—(কপশিন্নবা) মাইপাবুগু নঙদি উবিরোই। ইমা ইচানা য়ারিবসি। নঙনা ঐবু করিগী থম্বীরম্নি। ঐবুস্থ পুবিরো ইমা ইচাগী লৈফম লৈত্রে। ঐখোয়গী কনা লৈরি।

থম্বাল—ইমা নচাবু করি ওইয়ু হায়রিবনো? কপ্লগন্থু, ইমা। ইমানা হায়বা পুম্নমক্তা নচানা য়ানবা হোৎনজগে। অদুবু····।

অপাবী—নমানা করি তৌরুনি। হৌজিক রাজো মপা মচা লাক্লগনি। শেল পীরো—নত্রগা চৎলো, ইমানা করি খুমগনি, নত্রগা কদায়দা চৎকনি।

থম্বাল—ইমা ঐনা ওাওনগনি, য়াত্রে ঐনা মখোয়গী শেল শিংগনি। ওমত্রে করে—ইমাগী য়াথং ইল্লগে। (কপই)।

অপাবী—ইচানবু উপায় লৈরবদি—মখোয়গী শেল পীখোক্লগা ইচানা পাম্বা লম্বীদা চৎকদবনি, করিগী রাজো মপা মচানা লাকচনা তৌবা য়াত্রা? মখোয়গী শেল অদুগীদমক্তনি ইমানা য়াবদি।

থম্বাল—ইমা পুম্নমক ঐনা ফনবা হোৎনজগনি। য়াবিরুগন্থু, নচা লৈজরি।

অপাবী—মানি, ইচা লৈরি, ফরে ফরে অদুদি ইমা থবক অমত্তা ভৌরুখিগে। (চঙখিবা)।

থম্বাল—অসিরা লায়রবগী মংগাক রাবতনা ঐগী শরুক ওইযু হায়না ভমথ্রবোই। ঐনা হৌজিক করি ভৌগনি। ইমাদা ঐনা শেল শিংগনি, ভমত্রগা মীনাইগুম্না মখোয়দা লৈগনি। ও! ঐনা কদায়দগী শেলনা শিংবা, মহাক অদুবু করি ভৌগ্র-মনো? ওসি ফাওবদা লাকখিবা অসিবু। মানা ঐবু ভশেংনা কাউথ্রবা জাৎলা। মানা হায়খি, ঐগী অরাবা তারবা মতমদা ঐগী ইমাং থাদুনা শিগনি। অদুবু লৌনম রাহে ওইদুনা ভোক্লগম্রা? মানা করিগী লাক্লে, ইপাগী সোয়াৎ ফাওবা লাক্লে ঐনা করি হায়রুহনা, অদুগা ইমানা করি হায়রুদুনা। মহাক লাক্লবদি ঐনা করি ভৌবা হায়-দোকখিবা মতুংইন্না লুহোংবা (শ্বর মপি হোল্লি) নত্তে, ঐ হৌজিকমক ওন্না কুমারবু উন্নবা চৎকনি। (চঙখি)।

(ভাইহাক লৈরগা মমা অপাবী থোরকই)।

অপাবী—(মুনা য়েংলগা হায়রকই) ছুং অপাবী ঐনা থাকপা লাংবু থুদনা তোকদ্রা? মহাক্লা কদায়দগী শেল্লনা শিংগনি। মাগী কুমার হায়বদুম্বু চন্না নামতা চাবা মীনি। মানা অম্বুক য়াম্বা শেল অসিবু ইয়াই লায়না শিংবা ওইদ্রবা রানি। অদুনদি ঐনা থাকপা লাংদা থুবা শোয়দ্রবনি। তোগে হন্দক্তি—অপাবী ঐনা নীংথ্রদবু শোয়দুনা তোকপা য়াগদ্রা? হে ঈশ্বর! ননাইনা নীংবা অসিদদি থুংহনবীয়ু, (খুরুমই

মতমসিদা য়াজো. নবা, চঙলকপা, অপাবীনা লাই খুরুম্বা উবদা ভরা য়েংদুনা লৈবা অপাবীনা হৌগৎলকপদা উবা)।

অপাবী—এঃ....ঐখোয় ইবুংঙোখোয় লেঙঙকই।

য়াজো—ইন্দোল ইবেম্মা লাকচরি—।

অপাবী—ইন্দোল ফিদা লোথোকলুখিগে। (চঙখি)।

(থোয়ংগা ফিদা পুরক্‌না থাবা) ইবুংঙো লেঙশিল্লু লেঙশিল্লু।

য়াজো—ঐখোয় ইন্দোল ইবেম্মখোয়দি লাইবু য়াম্না কন্না নীংবিরি।

অপাবী—এ ইবুংঙো, অনীংবা অমা লৈদুনা লাই কন্না খুরুমইবনি। তন্নাইনা খুরুম্বা নত্তে।

য়াজো—ইন্দোল ইবেম্মা নীংবু নীংলবদি নোংমা নত্রগা নোংমদি শোয়ত্রবনি।

অপাবী—মানি মানি ইবুংঙো।

য়াজো—অদু ইন্দোল ইবেম্মা, চানবীবগী মিথয়েং অসিবু হন্দক মপোক অসিগী স্থম তোকপা তারব্রা ?

অপাবী—ইবুংঙো করিগী ওইরোই, (মনুংদা য়েংলগা) হৌজিক্তা ইন্দোম্না নচলগা য়ারী শারম্বদা মঙায়রি।

য়াজো—অদু করি করি হায়রবা ইন্দোল ইবেম্মা ?

অপাবী—ইবুংঙো. হৌজিক য়ানীংঙাই লৈত্রে, (মনুংদা হাইরপ চেপথনা য়েংলগা) হৌজিক শেল শিংত্রগা লুহোংবা, মশানা য়ারবনি।

য়াজো—শোয়ত্রবা য়াকম্নিকো ইন্দোল ইবেম্মা।

অপাবী—ইহে ইন্দোয়া হায়রিবা বাকমসি শোঁয়ত্রবনিনে। কোও কোও শারিবা রাকপ্মি থৌরাংদা তৌশিনবীয়ু।

রাজো– ইন্দোল ইবেম্মগী কৃপানি। মসিবু হেক মঙল ওইবদা পাবুঙগা অমম্ভং ঐগা ই-নবা অয়োনবী চেশিং ইন্দোলগী থৃঙ্গা শিন্নজগনি।

অপাবী—ঙাইখো ইবুংঙো, ('মপালোমদা কুমার লাকপা উবা) আদগীসি কনা মাগ্নি, কুমার নত্রা?

রাজো–(য়েংলগা) উম্ মাগ্নি, ইন্দোল ইবেম্মা।

অপাবী—অদুদি নখোয় অনি ঙাইথক্তং থুগুনা লৈরুখো।

রাজো—কনি, ইন্দোল ইবেম্মা। (চঙখিবা)।

(কুমার চঙলকপা)।

অপাবী ইবুংঙো লেঙঙকইত্রা?

কুমার—ইন্দোল ইবেম্মা।

অপাবী—লেঙশিল্লু লেঙশিল্লু (মন্নুংদা) হায় নুপীমচা নঙবু কদায়দা লৈবগে? নঙগী তাদা কুমার লাকই, ঙাইরে। (কুমারদা) আ ইবুংঙো চুম্না সুম লাকপ্রা, অরুবা করি থবক লৈবগে?

কুমার—চুম্না সুম ইন্দোল ইবেম্মখোয়গা অরুবা রাকম অমগী উমজনীংহুনা অমদি তামজনীংহুনা লাকচবনি। (কমই)।

অপাবী—তাম্নগা লোইরে, করিমত্তা চিংনগম্ন (মন্নুংদা) হায়, নঙবু নঙগী তাদা কুমার লাকইনে।

থম্বাল—(থোরকই কুমারবু কৌই) তাদা লেঙঙকই।

কুমার—অং ইবুঙ, সুম লাকঅমই।

অপাবী—অদুদি নচলগা য়াবী শায়মখো—ইন্দোল থবক অমত্তা তৌরুখিগে। (চওখিবা)।

কুমার—আ ইন্দোল (স্বক হৌগৎপা) ও য়াবী অমত্তা শাগে তৌবনি অদুবু—।

থম্বাল—করি য়াবীনো ইমাগা শানবা পাম্ববু?

কুমার—অরুবা য়া অমা ওইনা তৌরে। নঙগা শানবদা ভাব ভাইররোই। ইন্দোলগা শায়গদবা য়াকম ওইনা তৌরে।

থম্বাল—ঐবু উনবা লাকপা নত্তবা? অদুদি লেংবীথিবা য়ারনি। (শাউনা লৈখোকপা)।

কুমার—থম্বাল করিনো নঙনা ঙসি হায়রিবা য়াসিদি! নঙ অমত্তুং ইন্দোলগা ভায়গদবা অরুবা য়াকমনি।

থম্বাল—খঙলে, ঐনা নঙবু কয়াদা খোরাংনা ভাইদুনা লৈরম্বা অদুবু নহাক লাক্রে—ওন্নরা চৎখ্রে। লেঙবিখ্রে। থুনমক লেঙবিখ্রে। (কপ্নি কপ্নি তৌবা)।

কুমার—থম্বাল নঙনা ঙসি তৌরিবসি করিনো? করে, নঙনা চঙহন্নীংগ্রবস্থ ঐনা লাকপগী মরমদি হায়রমগে। মরু ওইনা ইমা অমত্তুং নঙগীদমক্তা অরাবা ভাগদবা কয়াদা ঐনা থন্দুনা লৈ হায়বসি কাউগনু অদুগা নখোয়না ঐবু খুড়াগী শোরাৎ লাক্তখদি বার্তন তৌগক্কে। অদুবু শাউদে, করে, হৌখ্রে, ভাগো। ঐনা খুড়াগী মীংন্দগী ভাবা কংই মত্তুদি য়াজো মপা মচানা শীন্দুনা নখোয়বু ভাম্বোরুবা থবক কয়া শীন্নি। নখোয়গী মভেঙ পাংবা ঙমগত্রা অমত্তুং উপায় ওই-গত্রা হায়দুনা ঐ লাকপনি। করে, চৎচরগে। (চৎপা হৌবা)

থম্বাল—(খামহুনা) তাদা অমুক্তা ঙাইবিথো, ঐগী রাখল লানখ্রে,
(পিরাংননা) ওঃ ইমা—নঙনা শীনবা থৌরাংদা হৌজিক্তি
ঐ থুগদোরেদো। ইমানা হায়বা পুন্নমক তশেংবা খঙবা
ঙম্রক্রে। অদুবু…।

কুমার—ইন্দোল ইবেম্মনা করি হায়বা ?

থম্বাল—হৌজিক্তা ঐনা রারীচুমক শায়রম্মীবনি। ঐনা নঙবু মরম
অসিগীদমক্তা উমজনীংহুনা চৎকে তৌজরম্লিবনি।

কুমার—মরমদি ?

থম্বাল—মরমদি মথোয়গী শেল খর তোনবগীদমক্তা ঐবু….।

কুমার—শেল কয়া ?

থম্বাল—লুপা লিশিং অহুমনি।

কুমার—(ঙক্লা) লুপা লিশিং অহুম !

থম্বাল—উম্, লুপা লিশিং অহুম্নি। মথোয়না পাম্লিবা শেল অদু
পীথোক্লগা মথোয়না করি তৌবা য়াবগে য়েংসি।

কুমার—(থম্না থম্না) অদুক য়াম্বা শেল অদুদি কনানা করম হৌরগা
কদায়দগী লৌরগা শিংগদৌরিবা ?

থম্বাল—কনাদগী লৌগনি। নংঙোন্দগী নত্তনা। ঐগী কনা
লৌকম লৈ।

কুমার—ঐঙোন্দগী (ঙক্লা)….অদুদা….।

থম্বাল—অদুদা করি ?

কুমার—থম্বাল ! ঐনা শেল অদু কনাদগী লৌগদৌরিবা অদুক য়াম্বা
শেল অদুবু….ঐনা…।

থম্বাল—চুৎই, তাদম্ব লৈতে হায়বা ঐ থঙজৈ। অদুবু মসি ঐগী পুন্সিগী ওইবা শেনক্ষম অমনি। মসিদা করিগুম্বা শিংবা ওমদবা থোক্লবদি সংসার অসিদা ঐবু অমুক উবা ফংলরোই।

কুমার—(মচিন মেনবা) থম্বাল হায়হৈদে, হায়হৈদে। করিগী অদুম্বা হায়রি। করিগীদমক্তা মমল য়াম্লবা পুনসিবু অরেম্বদা মাঙহল্লুগনি।

থম্বাল - ফরে অদুদি, ঐবু পুবিনীংবা মফমদা পুবিরো ঐগী হৌজিক লৈফম লৈত্রবনি।

কুমার....অদুদা ঐনা থবক অদু পাক হেক করম্না পাঙথোকনি।

থম্বাল - ও! থবক অসি পাঙথোকপা ঙম্লরোইদবা। ঐগীদমক্তা কনামত্তা লৈত্রবা, ফরে, ইন্নাইবক্তীনি। (কপ্না কপ্না চঙগে তৌবা)।

কুমার—ও ইংথোনে থম্বাল। নঙবু ফিংখিম্লনে (ঐগী ন্না তাখো। করিগীদমক্তা হুন্নানবা মীগুম লোঞ্জানগনি। নঙগী অরাবা অসি পাঙথোক্লবা মতুংদা, নঙবু ময়ামগী মমাঙদা চাউনা লুহোংগদবনি।

থম্বাল—ওজা, শোয়ত্রবা ন্নাকম্না? নত্রগা ঐবু করেম্নবীরিত্রা? অদু ওইরবদি ঐবু ফাগী তৌবীগনু।

কুমার—ফাগী নত্তে, অওইবা ন্নানি। ফাগী ওইনা লৌরুগনু। নঙগী শেল অদু থিরুখিগে। শেল অদু পুরক্লিবা ফাওবা নঙ ঐবু থিরক্নু। শেল অদু হেক ফংবগা ঐ নঙগী নাক্তা শোয়দনা লাকনি। নঙ করিমত্তা চিংনগনু অদুদি ইবুং য়োরগে। লুপা লিশিং অহুম (শোন শোন্দুনা থোকখিবা)।

থম্বাল—তাদা..... নচনবু কাউবিগনুকো। সুংঙাইভনা য়েংঙুনা
লৈহৌই অপাবী লোম্না তান্নঘদগী থোরকই।

অপাবী—ইবেম্মা—আনঙগী তামো কুমান্নবা করি করি হায়রম্মী।
(ভৌশিন্নবা)

থম্বাল—লোইনা হায়রম্মে, ইমা লোইনা হায়রম্মে। থৌশিল
থৌন্নাঙনা ঐখোয়বু তাম্মোকনি নত্রা ? অদুবু য়েংউ
হৌজিক তাদা কুমান্নবা শেল পুরক্লগনি লুপা লিশীং
অহমদু। (চঙখিবা)

অপাবী—এ! সুংঙাইপ্রবা রাকম্মিদনা, শোয়দনা পুরক্লনি নচগী
পোকমিন্নবা নবুঙদুনা (নোকপা)।
(মতমসিদা রাজো নব চঙলকই)

রাজো—শোয়রে ইন্দোল ইবেম্মা শোয়রে।

অপাবী—করি তৌরবগে ইবুংঙো রাজো।

রাজো—য়েংউ ইন্দোন ইবেম্মা, মসিদগী কুমান্নবা মযুম লৌরগা
মথুরাগা রা তান্নরগনি। ঐখোয়গী অরোনবা রাশিং অসি
শোয়দনা থঙথ্রগনি। মদুদা থম্বালনা মতেং অমুকা
পাংশিনথ্রবদি শোয়রে শোয়রে।

নব—এস্ থবক হৈহৌত্রবদি শোয়বা তারে। মসিদি কায়-
মযুম য়োদ্রিভেদা বাই, এনি মিজন্না লোইশিলহৌবা।

রাজো—এস্ মদুনা ফবা তাই।

অপাবী—উম মদুনা মতীক চপ চাবা থবক্লি।

রাজো—তায় লেঙঙসি।

নব – এস, লেঙঙসি। (মখোয় অনী থুনা চেকথি মতমসিদা থম্বাল কিংনা চেম্থোরকই)।

থম্বাল—ইমা. হৌজিকসিদু কনা কনানো ?

অপাবী—হা। কনা কমানোনে, কনাস্থ লাক্কেদা, উম্ অরাং-থংবা নখুড়াখোয়দা লাউনবা ওইরিনি।

থম্বাল – ইমা। ঐ মখোল থঙই। রাজো নত্তনা অতে ওইরম্মোই অদুগা করিগী থুনা চৎখি। অশেংবা হায়য়ু ইমা।

অপাবী—লমহেনবী নচিন অদু অদুম্না হায়বা হৌনব্রা ? ঐসে নমানিনে থঙঙব্রা ? মসে—নঙনা তৌবনা নঙনা কংবা ঐনা তৌবনা ঐনা। মচু নঙ থঙব্রি ?

থম্বাল—ইমা (শাউনা) অশেঙবা তারুপীয়ু। নঙসি মুপী অমা ওইরবস্থ মৈতৈ মুপী খুদিংমকী মমায় থীহনবা মুপীনি।

অপাবী—করি ? নঙনা হৌজিক হায়বা রাদু-হা-করি নঙ ঙসি নখাদু শেৎলুরা মসি ··(চঙশিনবা)।

থম্বাল – ইমা। চঙশিল্লকনু (শোয়ী শত্তোক্কনা থিনগে মতাঙুম তৌবা) মসি উব্রা ? (অপাবী থক-থক নীকপা কিবনা) মসি ইমাগী থম্মায় নত্রগা ঐগী ··।

অপাবী—(কিবনা খোল ওল্লে, থক-থক নীক্লা) থম্বাল ইমা লাল্লে। ইমাবু হাৎকনু—ইমা অশেংবা হায়গে।

থম্বাল - থুনা হায়বিয়ু ঐ ভপথবা য়ারক্কে।

অপাবী—নঙগী তাবো কুমারচু রাজোখোয়না··· ···।

থম্বাল—করি··· ··· ?

অপাবী—মাবু হাৎনবা… …
থম্বাল—ইমা…. ও। করি মরাল্ নৈদ্রনা মাবু-উম্-কৈ অদুগা ইমা নওগী নরালদি ঈশ্বরনা পীরকপনু ঐ কুইথনিংত্রে, কৈ রাজো লৈরমউ, থওগনি (চেনখিবা)।
অপাবী—ইঃস্ আশাগী ফুড়া কায়রেদনা।

(ফিনা হুমায় হুমদুনা কমথবা)

—লাইট ওফ—

অনীশুবা শরূক

অহুমশুবা উৎপা

প্রমহাং মতম নুমিদাংবাইরম

(কুমার থরায় সুংঙাইত্তনা রাথল তৌনা থোরকই)

কুমার—নুপা লিশীং অহুম। লিশীং অহুম। ই-স্ ঐনা কনাই-দগী শিংগনি। কনাদগী লৌরুনি। করি উপায় তৌগনি ? ঐনা মাগী মকমদা শোয়দনা পীগনি হায়রম্রে। ও। লায়র-মচা ওস্থোক্না তোল্লিদা পুন্সি চুপ্পা অসি সুংঙাইবা শরূক কংদত্রনা শিখদা তাব্রত্রা ? করিগুম্বা থুড়াথোরনা থওবা থোক্রবদি ঐবু করি হায়গনি। করিগুম্বা শেল অসি শিংবা ওমত্রবদি ঐগী থরায় থাখিবনা হেন্না ফরে। অসুক রানা হিংগদবগী শরুক্তগী শিখিবনা শরূক চান্না হেন্না ফরে।

অতুবু মহাক্তি ঐনা শেল পুরকনি হায়দুনা নীংঙাইদনা হরাওনা লৈথোক্লমগনি। করিগুম্বা ঐনা শিবা থোক্লবদি মানা করি ওইবা...অদুগীসু মথক্তা (থনবা) নত্তে নত্তে ঐ শিবা য়াদ্রি, শেল শোয়দনা থিগনি। অদুদি মীরৈবাক্তা চত্তুনা মতম থরদং শেল তাম্লবনা ফংগদ্রা? থঙদ্রে ঐনা তৌগদবসি, ফরে খুড়াগা তায়রগে মদু নত্তনা ঐগী উপায় লৈদ্রে (থুনা চঙগে তৌবদা রাজো-নবনা থৎপা)

রাজো - ঙাইখো কুমার — ।

কুমার—ও। মরুপ করিগী ওইরবনো?

রাজো—অতৈগী নত্তে, ঙসিদি নঙগী থরার লৌবা, মদুগীদমক্তা থাম্বা।

কুমার—ঐবু....অদু করি মরমগীনো মদুদদি তাকপীদুনা।

রাজো ঐগী কাদা য়েক্ল-খুরৌ ওইবগীদমক্তা নঙবু হাৎপা....থঙজেদনা (থাঙ শৎপা নবসু শৎপা)

কুমার—মরুপ! ওম্বোকপা য়াথলনি। করিসু লৈত্রবী মুপী অমগীদমক্তা মী অমা হাৎপা হৌনদবা থবক্নি। মদু তৌবিগনু।

রাজো—অক-ফত্ত থঙদে নঙবু হাৎপতনা ঐগী য়াশক্নি।

কুমার হায়রৈদে, হায়রৈদে মরূপ-মদুনা অচুম্বা ওইরবদি মরুপখোয়সু মুংঙাইনা লৈবা য়ারোই। অদুগীগু মথক্তা মরুপখোয়না পাম্বীরিবা থম্বালবুসু লৌবা য়াররোই। য়েংবিয়ু মীনা নখোয়বু' মীহাৎপা মীহাৎপা হায়নরনিদো।

হয়েং শিবা কাওববা ফজ্রবা মিংচং অঙ্কুমি কোরক্লোই।
অঙ্গী শরুকপুমি য়ান-য়ান্নুবা থরাসিরা মরুপ!

রাজো—ঐ নঙগী য়ারী ভাবা য়াকপা নস্রে। নঙবু হাৎলগা করি ফংগনি হায়রবা ঐখোয়না খঙডি। অদুবু নীংবা থুংদনা লৈবগী মহুত্তা নঙবু হাৎলগা (চঙশিনদুনা তৌবা)

কুমার—ভাইখো মরুপ নেৎশাগী ময়াইনা পূরমক মাঙবা জারে। ওসিদি মরুপশিংগী মকমদা ঐনা লাক্লরে। শাউরীগনু ঐ চৎচরগে (চৎপা)

রাজো—হৈ (চোংশিন্দুনা থাঙনা খিনবা) খঙজ্রা?

কুমার—ওঃ মরুপ (থাঙনা খিনবগী মথুন্দা ঈ মেনবা) মরুপ ওস্থোকপা বাখম্লিদা) ফরে হৌজিক্তি মরুপকী নীংবা থুংলেদনা (তুথখিবা)।

রাজো—হা-হা (নোক্লুনা) মানি হৌজিক্তি ঐগী নীংবা থুংলে। সংসার অসিদা ঐগী য়েরুবা লৈত্রে।

কুমার—ওঃ.....থম্বাল..... (অরাবা খাঙলগা থরো থরো ওলি) ওঃ...(তুমিন লৈখিবা)।

রাজো—মসি মচেৎ মচেৎ কক্লুনা হাৎথিশিরনে।

(মমুংদগী থম্বালনা ভালোকপু কৌরকই)

ভালোক—কুমার ইবুংঙো কুমার (কৌরকই)।

নব—ভায় মী লাক্লে, সোমদা (মখোয় অনী চেনশিনখিবা)

(ভালোক লালভেন অমা পায়রকই থম্বালনা তুংদা থাঙ পায়দুনা চেপ্থোরকই কুমারবু উদে)।

ভালোক—কুমার ! (কৌই) ।

থম্বাল—খুড়া ! কৌবা তাদ্রেনে ।

ভালোক - নত্তে ইবেম্মা, কয়া কুইশ্রবনো ঐবু য়াম্না চিংনরক্লে ।

থম্বাল - হৌজিক্কা ভায়থ্রিবনি, কুইখিদ্রিবনি । লম্বীদঃ চংলমগদ্রা হায়রুনা তান্নজ্জরকপদা থেংনদ্রুনা খুড়াদা তাকচররিবা অসিনি । নত্তে খুড়া, য়াজো হায়বা সুপাদু য়াম্না কত্তবা মৌনি । মানা ঐগী তাদবু শোয়দনা হাৎলম্বা তারে । (কপ্পী) ।

ভালোক - ঙাইখো ইবেম্মা । ঐখোয় অনি চঙলগা অমুক্তা কৌসি । কুমার—ইপাগী ইবুংঙো কুমার ! (কৌবা) ।

থম্বাল—তাদা কুমার, তা কুমার (কপ্পা কপ্পা কৌজে) ।

ভালোক - তাদ্রে । শোয়দ্রে ইচাগী থরাই মাঙলম্বা তারে, নত্তে ইবেম্মা, ইপা, য়াঙোখোয়দা অমুক্তা য়োরুখিগে ।

থম্বাল—অত্তদা খুড়া, খুড়াগদি সুংঙাইনদবনিনা খুদোংচাদবা য়াই, ঐ য়োজরুগে ।

ভালোক—সুপী নহাক্না করম্ন !

থম্বাল - চিংনবীগম্‌সু, মহাক্কীদমক্কা ঐগী থরায় পাম্মুদে । ঐগী-দমক্কা সুংশা পীবিগম্‌সু । ইশাগী ইজৎ ঙাক্লবগীদমক্কা ঐগী থরায় হান্না থাজনবা খুৎলাই অসি য়াওজরি (থাঙ উংপা) অহনা খুড়া, থীনবা য়াদ্রে, খুড়ানা লম্বীদা থিবিহৌ ঐ য়োজরুখিগে (চেনখিবা) ।

ভালোক—সুপীমচা ! ওঃ চৎখে্রদো, ইচা কুমারগীদমক্কা থরায়

পামুখিদ্রবা ওঃ। ইপাগী ইবুংঙো নঙবু কদাইদা লৈবগে, খুড়ানা কৌবস্থ তাদ্রে (কৌই) কুমার। কুমার। ঐনা কৌবদা তাদ্রে, শোয়দ্রে, ইচাগী থরাই মাঙলম্বা তারে, ওঃ (মপি তৈখোক্লই, থাংমৈ পায়দুনা চৎকে তৌবদা কুমারবু উম্বা) কনানো (চঙশিনদুনা থাংমৈ পায়দুনা য়েংই, কুমারনি হায়বা খঙলবদা) হিঃ কুমার ! ইপাগী ইবুংঙো করিনো নঙনা তৌরিবসিদি, ইপাদি মাঙলেনা, নঙ্গে, নত্তে থম্বাল ! (কৌবা) থম্বাল। ঐগী ইচা কুমার সিদা লৈরে, ঐগী ইচা কুমার ! ওঃ (কপই) ইপাগী ইবুংঙো। মহাক লৈবদগী খুড়ানা মায়পাক্কা চৎপা ঙম্বনি। অহল ওইরবা নপা শক্লবা ঐবু থম্মল্লগা নঙনা কদাইদা চৎলবা ! উম্—রাজো, পুবচেল কল্লবা। নঙনা চেনগদবা কদাইদনো, মপা শক্লবা ঐ লৈ হায়বসি নহাক খঙদে। মচাগী লমন খুম্নবা ভালোক ঐ লৈ হায়বসি নঙ খঙদে। খুমগনি, লমন চপ চানা খুমগনি। চরা নাম্মতা চাদুনা নঙবু ফংঙ্রিবা ফাওবা য়ুমদস্থ চঙলোই। সত্য, সত্যনা সাখি ওইসনু (কুমারদা) ইপাগী ইবুংঙো। ইচাগী ফিভম অসি য়েংবদা মুংঙাইদ্রে, চৎসি ইপাগী নংগন্দা পোগে। নঙবু পোকপা পলেম পম্মৌ লৈরিবঙে মতমদস্থ ঐগী নংগন্দা চাউরকপনি। অদুবু শিরমদাইগী মতম অসিদস্থ অমুক ইপাগী নংগন্দা, ওঃ (হৌরু হৌরু কপই, নংগন্দা পোখৎ-তুনা চৎখি। চৎসি, ইপাগী ইবুংঙো…………

লাইট ওফ

অনিশুবা শরুক

মরিশুবা উৎপা

(ডাক্তরগী কা অমনি। কুমার মমায় মমিৎ য়েংবদা য়াম্না শোক্লবা কিভম মাল্লি। অশোকপা মফমদা বেণ্ডেজ য়েৎলি। ফমুং অমদা হিপ্তুনা লৈ। ফমুং অম্নি মমী খুদিংমক্তা য়েংলকপদা কুমারবু লায়না উবা য়াবা মওংদা থাবা ফমুং ওইনা তৌই। মহাক্কী মনাক্তা অহল ১। ২ অমম্তং মহাক্কী মখুড়া ভালোক লৈ। মখোয় পুম্নমক কপ্পুবা অমতা য়াওদে। নর্স অমসু মাগী মনাক্তা লৈ। অহল ১ না মুংশিনা হায়রকই।)

অহল ১—মুংশিদা ইবুংঙো, নঙসে পেন্দেদা থম্মোয় অসি পুবা য়াদেদা (কপই)।

অহল ২—মু শিগ্রেদা পাম্মুইদা (কপই)।

নর্স অমুক্তা ঙাইবিখো খুড়া, ময়াম্না অদুম্না তৌরবদি নিপা অসিগী তুম্বা অসি কায়রবা তারে—মহাকপু ঙহাক্তা মপুং ফানা পোথাহনসি।

১ বা—ওম্মোয়া ফখ্রবা, মুংশিখ্রবা! অদুদা খাঙবা ঙম্লক্রদুনা তৌজবনি, শাউবিগনু, শাউবীগনু।

নর্স—শাউবগী নৎচনে খুড়া, ঐনা হায়জবদি অসিনি, ডাক্তরনা হৌজিক্তা ময়ামদা হায়রম্বা অদুনি। মুপা অসিনা শোক্লিবা অসিনদি থোইদোকপা ফত্তবা থোকনি হায়বা ঙমদে। মঙোন্দগী হেন্না লুনা শোকপা ফাওবা করিগু তৌদনা

লৈবা য়াম্না য়ামগ্রবনি। অত্তবু মহাকী হার্ট অসি ওন্থোরক্লা শোনখে। রা খিত্তং কম্না ভাঙবা তাবা নত্ত্রগা থুক লাউবা অমা পোকপদা শৌরগত্রা হায়বসি য়াম্না চিংনৈ ঐনা শুম খনজবদা মহাকং অসিস্থ য়াম্না লাইরবা চাবা থকপা কংদবা নত্ত্রগা মহাকী নীংবা থুংদবা মুত্তাইতবা য়াকম অমা লৈত্রা হায়না খঞ্জে। অদু নত্ত্রগা অহল লমন কায়নবা নত্ত্রগা মুপী নহা নৌনা কাঁয়নবা য়াওত্রা?

ভালোক—মান্নি, ঐগী ইচাসি নীংবা থুংদবা মুত্তাইতবা অমখি লৈরবনি!

নর্স—অত্তনি, ঐনা খঞ্জবস্থ অত্তদি ময়াম পুম্নমক মপান্দা ভহাক্তং লেঙখোকপীত্তনা মহাকপু মপুং কানা ভহাক্তং পোখাহনসি। ঐখোয়না কাপচখিবা হিদাক অসি অরোইবী থাত্তনা য়েংলবা হিদাকনি হায়বা য়াই। কুইররোই মা ভাব ভারক্লগনি। অদুনা ময়ামগী মুংঙাইতবা কপ্পা অসি উরু তারগা মঙোন্দা কত্তবা খোরকপা য়াই অত্তনা ভহাক্তংদি মপান্দা লৈবিয়ু।

ময়াম—চুমই মপানদা ঐখোয় লৈজগে মহাকপুদদি হিংহনবা-য়ুকো মুপীমচা।

নর্স—ঐখোয়না ওম্বা নত্তে, ঈশ্বরগী থৌজান্নি।

ময়াম—ঈশ্বরগী থৌজান...... (ময়াম মুংঙাইতনা থোকখি)।

নর্স—(কুমারগী ফিরোল শেমর্জিল্লগা ঘড়ী য়েংলগা হিদাক অমা পায়রগ মমুং চঙখি। মতমসিদা মশম মনা ইকা

ফারম্বমা থম্বাল চঙলকই। অমুক্তা চঙদবগী হীনবা কোইরুপ কোইরুপ য়েংই। মুংশা পীমা কুমারগী নাক্তা চঙই। কুমারগী কিভম উরগা মিৎতগী পি তারকই, খাঙবা শবদনা কৌরকই।)

থম্বাল—তাদা কুমার! নঙনা তৌরিবসিদি করি মতৌনো (হীরা হীরা কপই) তাদা ঐ লাক্লে, অমুক্তা খুম্মু। মতম খুদিংমক্তা ঐনা কৌবা নংদনা নঙনা হায়া কৌবিবদাই। ঙসিদি তুমিন্না লৈরবদি করিগীনো তাকুমার........।

(হীরু হীরু কপই মতমসিদা কুমার থর থর লেঙঙকই থম্বাল মুন্না য়েংই)।

কুমার—(ভাব থরা তারক্নুনা) কনানো?

থম্বাল—(হরাওনা মপি তৈথোক্লগা) তাদা ঐসি নঙগী থম্বাল ....! অং থম্বাল।

কুমার—থম্বাল! নঙ মফম অসিদা?

থম্বাল—(হরাওনা) মারি, ঐ মফম অসিদা ঈকায় ঈকী থাদোক্নুনা তাদবু উজনীংদুনা চঙজরকইবনি। অদুবু নহাক্তি.... (হীরু-হীরু কপই)।

কুমার—ইবুংগী ইবেম্মা থম্বাল! কপকমু ঈশ্বরনা তম্বনি। কত্তে নঙ লাকপা, ঐ নঙবু ঙাইবদা ওস্তোরা রারবনি।

থম্বাল—তাদা ঐনা হায়জবা য়াবিরম্রবদি প্রুম্রমক অসি থোক-লম্লোইদবনিকো (কপই)।

কুমার—থম্বাল! নঙবু ঐনা কয়াগী মত্নীক মুংশিবগে হায়বদো নঙদি খঙলোই। থম্বাল! অশেংবা মুংশিবদি মপাম্মোংদা

উরোই থবক্তা থওগদবনি। মপাম্বোংগী উরিবা শরুক অহুদি অপাখনি, মুংশিবা নত্তেনে। অহুনা নওবু ঐনা মুংশি হায়বসে থাজৌ।

থম্বাল—তাদা ঐবু… নওনা… ….।

কুমার—অশেংবনি, অহুবু ঐনা নওবু লৌদবগী ময়মদি সমাজ অসিগী চাউরবা মীলোক অমা লৈরি। মহু নও-ঐনা খাওহুনা হিংবা ঙম্মোই। ময়ম অহুগীদমক্তা নওবু মুং-শিরবস্থ সমাজগী মমাওদা উৎতে। অহুবু ঐগী থম্মোয়-দদি নহাক নওনা কনাগুম্বী অমগী মমি তাত্রি।

থম্বাল—তা-কুমার…. ….।

কুমার—মমি অহু মুৎলরোই, দেবেগা থরায়গা খাইনত্রিমখৈদি। ওসি ঐনা অরোইবা মতম অসিদা ঐবু অমুক্তা নওগী খোৎলবা খুৎ অহুনা নবুং অমগুম্না অমুক্তা নাম্বিয় ঐগী মৈচাক অসি মুৎলগেবা। ঐ য়াম্না য়ারে, থম্বাল।

থম্বাল—তাদা (কপই) নঃ করিস্থ তৌরোই। নওনা শিবা তারবস্থ ঐস্থ নহাকা লোয়ননা চৎকদবনি থওউ।

কুমার—নত্তে, নত্তে, নহাক্তী য়াখল অহু অয়ানবনি। থম্বাল। ঐবু অমুক য়াহল্লগস্থ, ঐবু মুংওাইনা চৎকল্লুবা, সে, লাও। ঐগী থবাক অসে প্রোক-প্রোক চাকখে্র, নওনা অমুক্তা অরোইবা বীদায় পীযুবা, ঐ খর অসি পুবা ওয়ক্তয়ে থম্বাল।

(য়াম্না য়ানা খর থবেৎ-থবেৎ হোল্লি, সুক হৌগৎলি)।

থম্বাল—তাদা···কুমার····(চেৎনা কোনবা) হৈঃ—

কুমার—থম্বাল ! নঙ ঐবু থাদোকমুকো।

থম্বাল—নঙবু ঐনা থাদোক্রোই। ঐবুস্থ নঙনা থাদোকপীগুকো। (কপই)।

কুমার—থম্বাল···· (মপা অদু লেকথরকই)।

থম্বাল—তা-কুমার (চেৎনা কোন্দুনা কপ্পা) নত্তে ঐবু থাদোকতুনা চৎখিগদবু, ঐগী কনা লৈহৌরি, ঐবুস্থ পুবিয়ু···· কৈ, চৎলু, ঐস্থ নঙগী তুং ইল্লকনি, কুমার····ঐবু ঙাইহাক্তা ঙাইরমখো (থাঙ শঙুনা মথক্তা থিন্দুনা কুমারদা তুশিনবা)।

থম্বাল কুমার ঐস্থ লাক্লে, ঐবুস্থ পুবিয়ু····কুমার···(শিবা)।

ভালোক (থুনা চঙলকপা, মতৌ অদু উবদা থংবা) থম্বাল ! হিঃ করিনো, নখোয়না তৌরিবসিদি, কুমার····কুমার ·· ডাক্তর ডাক্তর বাবু ! (পাখৎতুনা কৌবা, ময়াম কৌশিল্লক্তুনা য়েংবা ডাক্তরনচিংবা চেল্লক্তুনা য়েংই)।

ভালোক—বাবু য়েংবিয়ু। অমুক্তা য়েংবিয়ু।

ডাক্তর—(থম্বাল অমস্তুং কুমারবু য়েংবা, য়েংবা লোইরগা কুমার অমস্তুং থম্বালবু ফিনা কূপশিনবা) ঐখোয়গী উপায় লৈত্রে, মখোয় অনি চৎখ্রে (থোকখিবা)।

ভালোক—ওঃ ইপাগী ইবুংঙো কুমার ! ইপাদি মাঙলেদনা ওঃ পেন্দেদা, নীংঙমদেদা ! লোইরে ইপাগী পুক্সিস্থ লোইরে, পাম্বোম নাম্মা তেক্লে। সুংশিদা থম্বাল ! নখোয় অনিমক

চৎলু, নীংবা পুংনা চৎলু। এক্কম অচুম্বদি কন্নানীহু মীসো চঙলরোই, কনানসু নখোয়বু থিংবা ঙম্ব্রোই।

১বা—ঐখোয় পুন্নমকপু মৈরা পায়হনা চিংবিরম্লগা শুলিদা থঙহৌদনা মঙাল অহু মাঙখে।

ভালোক—মাঙখে, লোইরে পুন্নমক! অমুক্ত হন্না উরকো নখোয় অনিদি। অদুবু মুমিৎ-থানা নৈলিরিবমখৈদি নৈলেং রনিনে নঙগী মুংশিবগী মঙাল অসিদি....।

(তপ্না তপ্না যবনিকা হাইজিনখি)।

—লাইট—

লোইরকবা।